জজ্ সাহেবকী ইষ্ণুং



জ[illegible]

অরাষ্মম সমরেন্দ্র

21.12-4

১৯৮১
অনিশুবা খুৎলম।
শ্রীমা০ অরংখম ওংবী যামিনী দেবীনা ফোঙবা।



মমল — লুপা ৬'০০।
মখুম য়েক্পা — এল. সমরেশ

নম্ফম — ইষ্টর্ন প্রিন্টিং এণ্ড এলাইড ইন্দস্ট্রিজ কো-ওপঃ
সোসাইটি লিমিটেড, কোনুং মম্পাক ইম্ফাল।

১হাংবা পাউবশন— তা ২৩-১-৬৮

৬শু মণিপুর ড্রামা ফেস্টিবেল -১৯৬৭-৬৮

ষ্টুডেণ্টস আরটিষ্ট এসোশিয়েশননা খরা শগজিন্নর মতৌ
শান্নখিবা।

নাওবু – ময়েংবম অঙ্কসনা
দামুদর — রাজকুমার নবচন্দ্র
মোহন — রাজকুমার গোবেন্দ্রজিৎ
লিমা — রাজকুমার হিহে ...মার
গুণিময় – অহেবম সবিতা
ভবনা – খেথোম বোমচৈ
ব্রজশিলী – ইবেমা দেবী

*টারবশন শ্রীমোহিনীলাল সিংহ।

অহানবা অঙ্ক

অহানবা ঊংপা

(ফুলোবাবুগী ড্রইং রুম। নীংথিজবা সোফা মরিমন্দা থারি, টেবল নেমতক তৌবা অমা। ফকলগী ময়দা ফুলগ্রাস অমা লৈনী। লোংমাইজিং, অয়ুকনি। পুং ৮।। তারে, ফুলোবাবু চা থক্লুনা ফমলি, ওয়াংগী খবর অমা য়েংলি। মতেলকী অয়ুক্কী ফজেং শেংলি। টেবল মথক্তা চাগী পোট লৈরোং য়েকপা অমা, টেবল অনেম্বদা ব্রে অমা লৈ।)

ফুলোবাবু : (চা থক্লা, ইমূ দা য়েংদুনা) ভীমো ! ভীমো লৈত্রা ?

ভীমো : (থোরক্লুনা) ঐজ্ঞা. করি তাকপিগদনা ?

ফুলোবাবু : আ মোহন হৌগংলবরা ?

ভীমো : হৌগংদ্রিমাল্লে।

ফুলোবাবু : হৌদোরকউ। (ভীমো থোকখি)

করিনো হৌজিকফাওবা তৌগংত্রিবা অঙাং অসিবু।
মসিগী অঙাং অসি এম্বোক্না চোংলম চাখিদবেদা!
(খবর ফাকই) অহি না থেঙনা থেঙনা হল্লক্লিবা, লাইরিক
ময়মলিবা ছাত্রনি হায়নেসে, কৈবগী ছাত্র মওইনো। ভীজ
মোর্ডন বোইজ শাব হোপলেশ টফ।

(চা হৈহনা থকই)

ভীমো : (চঙলক্কুনা) হৌদোকচরুবে ঐ‍ঙা!

ফুলোবাবু : নখোয় নমাদি হৈদা।

ভীমো : কুঠি যেনি হায়হনা মযুম ওস্তানা চৎখে।

ফুলোবাবু : ওসি করি য়েঙ্গা' থোংগদৌরি ?

ভীমো : হরাই মুগকা ঙকাগা অমা থো লগা অমনা থাংজিং
ইরোনগনি হায়। অতৈ বনি হাবিনীংবা

ফুলোবাবু : হৈনো অচাব হৈবিবরা ?

ভীমো : হৈনৌ অচাব কোইথোকাখচনা, চম্প্রাগী ওসিদগী হৌবা
তারে।

মোহন : (চঙওকপা) পাবুং করি হায়গে ?

ফুলোবাবু : রা হায়গেনে। করিগীনো নচনা অস্লক থেঙনা থেঙনা
হৌগৎলিবসিদ্ধ নশাভ শোকলনিনে, আহংনা থেংনা
থেঙনা হল্লকলিয়া, লাইবিকস্লু ওবাইদে, কবনো নঙ্গা
তৌগদৌবিবসিবু ?

মোহন : তা ভীমো। য়েরুম অমত্তা হৌরুচা। চাস্থু খিত্তা থক্কে।

(ভীমো থোকখি)

অহুরা পাবুংনা হায়গদবনু ?

ফুলোবাবু : করিনো মীনা হ নদি খুমদনা মানা ঐঙোন্দা কাউন্তর
কেইঅন অমুক কোইবসিবে ?

মোহন : থবক চিন্দুনা থেংনা ঙ, ও,মা ভরা থেঙনা তুম্মী।

ফুলোবাবু : ভরাংতা নত্তেনে নঙনা হল্লক্লিবসে, নহানমথৈবু কৈদৌবগে ?

মোহন : ঐহাক রিশার্চ তৌরিয়ে।

ফুলোবাবু : করি ? রিশাচ ! করি রিশাচ তৌরিবা ?

মোহন : এনসিয়েন্ট মণিপুরী কলচর এণ্ড ট্রেডিশন !

ফুলোবাবু : বা ! অচুনা কৈদৌদৌরিবা ?

মোহন : করিনো পাব্‌না ঐভোন্দা হংলিবছুবো ? ঐগী সবজেক্ট অসিগী ইমপ্লিকেশন অছু পাবুং খঙদবরা ?

ফুলোবাবু : আই ডোন্ট ক্যার ! নথৌ করি লৈবগে ? আই ডোন্ট ক্যার ফোর ডেট রোত্তন কলচর !

মোহন : বাই গোড ! অচু ওইরবদি পাবুংনা অডজ ওইরিভৈদা মণিপুরগী কষ্টমরী লোজ করমনা চীল তৌই ?

ফুলোবাবু : ডটশ নন ওফ ইয়োর বিজনেশ টু অস্ক মী।

মোহন : অচু ওইরবদি ঐস্ম ঐনা পামবা তৌজবনি। পাবুংদা করি কায় বগে ?

ফুলোবাবু : নোনসেন্স ! এ রেবেল ! এ রেবেল এগেনষ্ট ডি ট্রেডিশন ওফ ডি ফেমলি ! লুক হিয়ার বোই ! নঙগী নয়াম্বা অহল ব্যারিষ্টর ভম্বা লোইচুনা হয়েংতা মঙায়রে থুংলগদবা! নঙ ব্যারিষ্টর অমা ওইবা হায়বসি করিনো খঙলেদনা! অচুম্বু লণ্ডণদগী, নঙগী নয়াম্বা অসিনা লণ্ডণদগী পাশ তৌব ব্যারিষ্টর অমা ওইগদৌরিবনিনে লৈবাক অসিদা ! জষ্ট ঠিঙ্ক ! খল্লু. কয়াম ফরে, কয়াম চাওখংলে ? লৈবাকনা সমাজনা ইকায়খুম্নগদবা, লৈবাক অসিদা অতোং অরেম ওইনা লৈগদবা, ভাব তারেদনা ? ইণ্ডিয়াদগী পাশ তৌবা উকিলশিং অসিগী মথক্তা নয়াম্বনা হেল্লা খঙবা অমা ওইরগদবনি। রুটেন্দা চহী কয়া লৈচুনা,রেষ্টন আইডিয়া

এগু আইডিয়েলস কয়া পুন্থনা লাকলগদবনি। ইউরোপিয়ান রে ওফ লাইফতি পামদত্থনা নঙনা নঙগী থায়নগী মৈতৈ অপচবগী 'মণিপুরদা মী শেম্বা ইহান হায়বনি' হায়বা মীনা যাবিবোইদবা য়া অদু নৈনঙ্খ্রা মতম মাঙ-হল্লে। আই বিযেল্লি পিটি ফোর য়্যু বোট !

অহুগী মতুংতা 'ব এ অদু নীংথিনা পাশ তৌরবা হোংনরগা এডভোকেট অমা ওইননবা হোংনবা য়াত্রবরা ? চাওখৎপা রাখল, অপাকপা আউটলুকতি তানগে হায়-দ্রেগা যান্না নোবো ওইখ্রবা সবজেক্ট অদুনা নঙতোম্দা করি তৌ জবা পীগনি ?

মোহন   নঙাঙ অহুদা পাবুংগ ঐগা মোত থেম্নরে। অহুনা য়া অসি ডাড়নববদি মতম যান্না শাংবা তারে। ওসিগী বা ওইনা ঐবু করি তৌ হায়রিবনো ?

ফুলোবাবু ঃ নঙনা অস্তক য়ান্না এগ্রেসিভ ওইরিবস কমামা তম্বীরি-বনো' হা' ঐনা অস্থুক য়ান্না ঙাঙখ্রিবা পোইন্ট ময়াম অদু নঙডোন্দা ক হ্রদে 'সনিনে ! য়েল ! ওসিগী বা তোক-থিসি, নডগ ঐগা থংনবিবা মোত অদু কদাইদনো হায়য় ! যু মষ্ট 'ক্রয়াব ইযোর পোইন্ট !

ভীমো   (চঙডক্তুনা) ইবুংঙোমচা য়েরুম হোবা লোইরে।

মোহন   তা ভামে। সিদা পুবকউ। (ভীমো থোকখি) পাবু নং হায়'ববসিবু পাবুংগী মোতত্থু ইস্রবা, য়েষ্টর্ন আই ডয়াবু থাজদ্রবা, অদু ওইববদি চাওখংত্রে সিরা ?

ফুলোবাবু   নঙনা থাজরিবা তৌরিবা থবক্তু চাওখংতে, সিনি !
(ভীমো যেরুম পুরকই, চা থম্মী, মোহননা চামচনা কোংত্থনা চায়)

মোহন   ঃ (চানা চানা) পাবুংগা ঐগা চাওখৎপগী অথ থেম্নরা

লৌনরে। ঐনা খণ্ডলিবা চাওখৎপগী অর্থসি পাবুংনা তমলকপন্থ নংত্রে।

ফুলোবাবু : বা।

মোহন : চাওখৎপা হায়বসি সাহেবকী শাজৎ চাকচা তম্বা ভাক্কনা চাওখৎপা নত্তেয়ে। সাহেব নৎতবা জাপানিজশিংসি এশিয়াদা যাম্ন চাওখৎলে।

(ফুলোবাবু মমিৎ লাওথোক্লুনা ক্লেংঙি)

পাবু খোম্নলা লাইরিক তমলকপদা বাংলা সংস্কৃতনা হাম্না হোরগা অংগ্রেজীদা লোইশিনবা ওইরিনিয়ে—নত্রা?

ফুলোবাবু : য়েশ। অদুগা কৈদোববা?

মোহন : সংস্কৃত শেক্ষরা থীব হৈবা, কালিদাস, ভবভূতি পাবা, রবিন্দ্রনাথ, শরৎ, বঙ্কিম, ডি এল রোই, শেক্সপিয়ার, রাডশরথ, শেলি, বর্নার্ড শো খোয় ওইরিনিয়ে পাবুংনা খণ্ডলিবসে।

ফুলোবাবু : য়েশ! গো অন।

মোহন : অদুদগী সাহেবকী হায়বদি পাবুংখোই তিন্নরকপা সাহেবশিং ফ্যশন, প্যাশন, জেন্থ মখোয়গুম্না নীংথিজবা পোশাক শেৎপা, ল-হেনবা, মীনাই মীশল, চাক য়েঙ্গাং হাউনা চাবা, শেলথুম য়ামনা তামশিনবা—সি নত্রা পাবু খোইনা তোরকপদো?

ফুলোবাবু : য়েশ! গো অন।

মোহন : অদুদগী ডেমোক্রেশ। ইকুয়েল রাইটশ, জষ্টিশ, গান্ধী, নোন ভাইওলেন্স, জবাহরলাল নেহরু, সোশ্যেলিজম ইন ইন্দিয়া সি নত্র?

ফুলোবাবু : মাম্নি, মত্তুনি। অদুদগী করি?

মোহন : হেন্না তম্বা, লৈবাক অসিদা চাকরি তৌবা, নীংথিনা যুম

লি তুনা লৈবা, শেন তানশিনদা, ফত্তবা থবক তৌদবা, য়াওদবা, য়ু থক্তবা, জ্যার শান্নদবা, লিটরেচর পাতুনা, ফিলোসোফি নৈনতুনা লাইরিক হৈবা সঙ্গ তৌবা –সি নত্রা পাবুংগী চাওথংপগী মোতসিবো ?

ফুলোবাবু : ম্নেশ! ক্বাইট রাইঠ! মতুনি মচু তৌ হায়বনি।

মোহন : ঐগী মোততি মচু নংতে।

ফুলোবাবু : হায়য়ু হায়য়ু, ইয়োর পোইন্ট।

মোহন : পাবুংবু করি জাংনো ? সাহেবলা, বাঙ্গালীরা ?

ফুলোবাবু : ঐহাক মৈতৈ অমনি। ফুলোবাবু ইজ এ মৈতৈ। হ্বাট ইজ রোঙ্গ ইন ইট ? মতুদা অরানবা করি লৈ ?

মোহন : পাবুংগী ওরিজিনদি ?

ফুলোবাবু : আই রাজ বোর্ণ হিয়র! ঐ মফম অসিদা পোকপনি, ইপা ইপু মফম অসিদা পোকপনি! মনিপুরগী মীনি।

মোহন : পাবুংগী কলচর এণ্ড ট্রেডিশন কয়রিনো ?

ফুলোবাবু : ম্নেশ! আই নো ইট! ঐহাক মুন্না খঙি মৈতৈগী কলচর এণ্ড ট্রেডিশন লৈ হায়বা। ঐহাক মতুবু প্রিজার্ব তৌই। য়াম্না চম্না, খুদম ওইনা হায়রবদা, ঐহাক সনা-মহীদ শিধা থিল্লি, শরোই খাঙবদা চেণ্ড, মনা মশীং থায়রি, মসিবু তৌরোই হায়না খনবদা পুকনিংদা অকিবা পোকলি। নখোয় অসি পোকপগী তরুকনি ইপাল থাবা লুমিত্তা য়াংকোক মথক্তা হিপলগা থৈতুনা মাইবীনা নচা লৌগেরা য়াংকোক লৌগেরা হংবদা নমানা ইচা লৌগে খুমলিরনি। থাজদ্রগা নমাদা হংণু।

মোহন : অতুদি পাবুংখোইসু ঙাকপিরিদনা! মচুনি ঐনা খিজ-রিবসু। ঐখোয়গী রে ওক লাইফ এণ্ড ইটস ভেল্যুজ

অহু করিনো ? ঐনা খল্লি, মীগী মতৌ তম্বা ভাক্তনা চাওখৎপা নত্তে। ঐখোয়গীস্তু ঐখোয়গী ওরন রে ওক লাইক লৈ। ঐখোয়গী ওরন ভেল্যুজ লৈ। ঐখোয়গী ভেল্যুজ অহুনি ঐনা খিজরিবসি।

ফুলোবাবু : হায়বদি নহাক মহু খিবা নত্তনা নঙগী নশাগী পোজিশন, ষ্টেটশ, অমদি শেলথুমগী মরমদা করিস্তু খন্দে অসিরা ?

মোহন : ইশাগী ষ্টেটশ, ইকোনোমিবুদি ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী ষ্টেটশ অমস্তুং ইকোনোমিনা হেন্না মরু ওই। ঐ ইশাদি ঐগী কোক, খুৎ অনী অসি লৈবিঙৈদা চরা হেন্দুনা শিবোই।

ফুলোবাবু : নঙ লৈবাক অসিগী শেলথুমগী হিসাব অসি খঙলে সিরা ?

মোহন : য়ান্না মুন্না খঙলে। পাবুংনা পায়রিবা শেলথুম অসি লোমীশিংনা কেশকী রানোম্বদা পাবুংদা পীজরবা পৈশা ভাক্তনি, নত্রবদি পাবুং ইনাক খুনবা অমা ওইরম্মোই !

ফুলোবাবু : নঙ কম্যুনিষ্টলা ? টেল মী, আর য়ু এ কম্যুনিষ্ট ?

মোহন : কবিনো পাবুংনা লোমীগী শেন চায় হায়রগা ঐবু কম্যুনিষ্টলা হায়রিবসিবু ?

ফুলোবাবু : য়ু মষ্ট হেভ বীন এ কম্যুনিষ্ট ! আই সসপেক্ট য়ু !

মোহন : ঐ কম্যুনিষ্টস্তু নত্তে, কংগ্রেশস্তু নত্তে, কনামত্তা নত্তে।

সুংশিস্না : (চঙলকপা) কৈনো করি তৌনরবগে !

ফুলোবাবু : নঙগী নচা অতোম্বসি ভাওরে, মসি মওং অমা তৌদোরি।

সুংশিস্না : তোম্বা ! করি তৌরবগে ? পাবুংদা করি ব্যবহার কাংরে ?

মোহন : কল্লিসু কায়দেয়ে, পাংবৃমা ভাব ওয়জ্জা তৌরিবনি।

মুংশিল্লা : সে সে! মতুংগী রাত্ত কোম্না ডাওনবো! ওসি কুঠি মে লুবগী পাউ তমখিগে মুপামচা অহলগী দশা য়াম্না ফরকলে. মীথোয় মীংহল্ল, হাম্ববা লৈ হায়য়ে, অতুগা মুপীমচা অসিগস্থ য়ামনা পকনরে, রাজযক্ষ হাম্ববতু তাই হায়রে। লুহো বদি হিযাঙ্গৈগী নিপাননি পানবদা য়ামনা ফৈ

ফুলোবাবু : ইহে! নঙনা হায়বগা নী শিংলে। ঐনা নচা তোম্বদা হায়গে তৌবসি মযাম্বগী ফাইট স্পেশ্যল অতু আই এ সিদগী অমক্ত হ লুচো হায়গে তৌবনি। টেনটেটিভ ডেট ওফ এক্সামিনেশন অতু খঙবা ওম্বা য়েংঙু।

মোহন : অতু ঐ চৎপা যাবরা?

ফুলোবাবু : চংলো, নঙগী মবৈ শঙ্ক মযাম্বা অহল য়োরকলগা য়েংলবা তারে। য়ু বিল সী ক্ত ইক্স ড স্টুব ষ্টক। গো।

(হননা, শাটনীংনা মোহন থোকখি)

মশা তাক্ ওইদোর মসি গহো অসি।

কমি করি হায়বা নঙগী ও্জিকী রাদো?

মুংশিল্লা : লুহো.বতু পকনারে হায়গ, হিযাঙ্গৈগী নিপাননি পানবদা কৈ চায়রি। ইবু দে গোপাল খুইদগী ফবা মুজিং শীযু হায়বদা মসিদগী হেল্লা ফবা লৈত্রে হায়জ্জনা শীব নি।

ফুলোবাবু : য়ামন র, লুপীমচাক্ত লৈগী ইমৌ ওইবা পাম্মী। ... এম এ সোশ্যলি. মশক মতৌসু চঙখোল্লি, ম... অরাৎপা লৈরে। মগী হায়বতু য়ুম লীংখিনা পুবা হৈরগা লোহান। মংসু মানা অহল ওইবনিনা

চংলো। চাক থোংলুরো। (একাশিনী থোকথি)
সনা, নচা অতোম্বসি ঙাওদোরিকো—চেকশিল্লু হায়।
হুয়ে ঙাওহুনা চংখিদনা ঐ মুংশাহুম কনা থীরে, ভাব
তানা রা ঙাভনৌ, বুধি তাঙল্লু।
ঐ থবক ঙহাক চংকদবা লৈ,কী রোন্দু অমুক্তা পুথোক-
লম্মু। (মুংশিম্ম থোকথি)
(রাখল খল্লি) লুখ্রেদা। (চঙথি)

অনিশুবা উৎপা

(হান্নগী ড্রোয়িং রুম—ভীমো, একাশীনি)

একাশিনী : তা ভীমো ! ঙসি'দ ইবুংঙো অহল থুংলগদবনিনা করি য়েঙ্গাং পীজর'সি হায়বগে ?

ভীমো : ইবেম্মা ডাক্তাগা শোইবুমগা থোংসি, য়োংচাক অনৌবগা হরাইমতোন অনৌবগা (তিন য়োৎলি) শিংজু অমা শু'সি হরাইজাব অচম্বা থরগা চাসি। চাক য়েঙ্গাং থোবা মতু য়ারিবমখৈ নঙগী হৈজবী থাহুনা থোংঙু, য়ুমগী চাক য়েঙ্গা মতম কুইনা চারুত্রবনিনা য়াম্না হাউনা পীজসি।

একাশিনী : ঐস্সু থরমলিবনি, য়াম্না হাউনা লৈজবী থাহুনা থোংগে হায়গুনা। নহাক মখৈ চারিবসিদগী ডবল হেলহনগে।

ভীমো : হোয়েন ডাক্তা থোংবদো মতী নিংথিনা ওইশিন্নকলবা মতম অতুদা ফদিগোমতু তান চানা থাকউ, শোইবুম মনমগা ফ'দিগোম মনমগা তোৎনহল্লু।

একাশিনী : হোয়নে, হোয়নে, ঐগী লৈজবী হোৎনরগে, অতু তা ভীমো ! ঐনা থোংবা চাক য়েঙ্গাংসিবু করম তৌই হায়রদি খল্লি ?

ভীমো : (তিন য়োৎলি) ইস ! হাউইবো ইবেম্মা হাউইবো ! নোবোক হেক তাগে ননম্মনা থোংবা চাক য়েঙ্গাংদো নীংশিংলকই। (পুক্রিং মুংশিনা) ঐনা চীংদগী শীং কোক-থোং পুন্থুনা হল্লকপদা য়ারিগনি হায়হনা ঈশিং অশাবা থোঙ হান্নবা লুখ্রীরমবা, ঙসিদি থোংক্রম চমফুৎ কুৎলি

হাঁয়রজ্ঞমা চাইদেঙ্গোৎ অমা থনকোক তৌনা থনব্বহু—
হাউখ্রেদা হাউগ্রেদা ঐনা খল্লায় তানা থকচবদো।

একাশিনী : উম, তা ভীমো, ঐনা থোংবসি ইনম্মা নীংশিংহন-
বোইয়েকো—হায়বদি হাউই অসিনিনে।

ভীমো : হাউই ইবেম্মা হাউই। ইমুং অসিগী মীশিংসে নঙনা থোং-
দ্রবদি চাক চাদ্রবনি, মীগী ইমু দা চাব' থকপম্ব নঙগী খুৎ-
খোংগা মান্নদে হায়দুনা খজিক্তং ত'লগতা তোকনরবনি।

একাশিনী : অদু হয়েং মৌ অনৌবী লাল্লগা তা ভীমো, চাকখুম্বী
রাক্ষম মখৈদি ঐগী মীচঙ চঙগদবনিকো।

ভীমো : এঃ ইচমবু করিগী পঙলাক লাকচবা য়াব্রদো। মৌ
অনৌবীদো চাক থরা থোংহনসি, হাউব্রা য়েংসি। মথুং
অদু কৈরমদদুনা থোংবা খোংপা যুগোং চাদ্রবদি পাম্মা
নাইদুনা ইচম্মা তাক্কদবনি। লম হেল্লগা ইনুং লৈরিদনা।
(মপান্দা হরাগাড়ী মখোল তায়,হোর্ণ লাউনা থোংঙকই)
এঃ গাড়ী মখোল তারে লাকলম্বা য়ারে (মপান্দা
য়েংদুনা) এঃ লাকলে, ইবেম্মা লাউ! (চেনথোকখি)
(মপান্দা) ইবুংঙো! ইবুঙো লাকএদনা! ইস! শক
য়াম্না ওল্লমলেদা!

দামুদর : (মপান্দা) এঃ তা ভীমো! গ্রেড টু সী য়ু্য!
(ময়াম লাঙডি, কুলোবাবুনা চিংদুনা মথং মথং চঙলকই,
দামুদর গ্রে স্যুট অমা শেৎলি, ফেলট হ্যেট উপ্পী, রেন-
কোট অমা খুত্তা পায়, ভীমোনা স্যুটকেশ কোক্কা
পুই, একাশিনীনা স্যুটকেশ মচা অমা য়াল্লি।)

কুলোবাবু : য়ু্য আর এট হোম এট লাষ্ট!

দামুদর : খ্যোর! ইচে! স্যুটকেশ অদু ঐঙোন্দা পীয়ু। আই
হেভ ব্রোট এ ফ্যু ঠিংগস ফোর য়ু্য।

(স্যুটকেশ লৌই, হাংবা লাকনৈ, মোহন্না বেড্ডীং অচৌবা অমা পুম্বনা চঙলকই, থম্মী, চৌকিদা ফম্মী। দামুদরনা ভীমোদা চানবা লাম্লি। ভীমো একাশিনীদা চানবা পী।)

লেট মী সিট ডাউন! (ফমই)

সো! করম করম তৌবা! (সিগরেট কেশতগী চুরুপ লৌথোক্লগা ভীমোদা পী)

ইচে নঙ—য়ু স্মোক? চুরুপ থকপ্রা?

একাশিনী : ঐ চুরুপ থক্কে ইবুঙে!

দামুদর : রেল! (ফুলোদা পী, ফুলোবাবু লৌই)

সো মোহন! হাও আর য়ু পুল্লিং ওন?

মোহন : পঙলৈ লৈরি!

দামুদব : কৈনো পঙলৈ লৈবা হায়বসিবু? ডু য়ু মীন ডেট, য়ু আর নোট ডুয়িং এনিথিং?

মোহন : থবক য়ামনা তৌই, মতম হাঙদে, শংদে।

দামুদর : গ্রাণ্ড! য়ু সী, ইন ইউঃ কেঃ এভিরিবান ইজ বিজি, এভিরিবান রাবস্ক! তা ভামো বিলাটতদিনে—মী পুম্নমক থবক নোম্মী। (ভীমো মঙক নোম্মী)

মুংশিগ্না : একাশিনী! চৎলো চাক লোইশিন্নবা হোৎনরুরো। ভীমো! পোৎশিং অসি সুপামচা অহনগী কাদা থমজিল্লু। ঈরুজনবা ঈশিং মায়শিংকাতু ঈরুজফম কাদা লৈরব্রা য়েংলুরো। সুপামচা! নফি নরোল হোংদোকত্রা, ওহাক পোথানবা তৌরো, ইচাদি র‌ারিগনি, ইমা চাক য়েন্থাং য়েংশিল্লুখিগে, লাকও একাশিনী (মুংশিগ্না একাশিনী থোকখি, ভীমোনা স্যুটকেশ পুম্বনা থোকখি)

ফুলোবাবু : সো, সুপামচা! সুঙাইরে ইপা। নওগী পরিক্ষা পাশ নীংথিনা ওইবা, অতৈ অতৈ লোইশিনগদবা মরাম

মরুধগী থবক ইনখা, পুনশিনা পক্কাদ হৈরবনি। হয়েং ঐ নঙনা শিখ্রবদা মখোয়না নীংথিনা ময়ুম লিংখৎনা লৈবা অচুম্বং ভম্নবা তম্বীবগা লোইরে।

মুংশিল্পা : মুপীমচাগী মপাবুং হয়েং মুংদাং লাক্কে হায়রম্মী, অদু করম করম তৌসিগে হায়না মওং অমু তাম্নখোকনবা থনখিরে। মখোয়না কয়াম চাউবা পামবা পামদবা হায়বহুম্ম লেপথোক্কখিরে। মমাইবেম্মহুম্ম মবুক মপাউ য়াম্না কৈ, তিম্নবা মুংঙাইগনি নীংঙি।

ফুলোবাবু : উম, অতৈ অতৈদি ফরে, ঐনা পামদবা অমতং— মুপীমচা অমুগী মথুরা অমু সনামহী কয়া য়াওমাল্লে, ঐখোই মুপামচা অতোম্বা অসি সনামহীবোমদা নকশি, মাগী য্রাথল অসি, মথুবাহুগা মাগা পাখ্রবদ, ঐ কোক থবা চিক্কদৌবি।

মুংশিল্পা : হেরা কৰি তৌই হায়বগে মানা মানা পামজবা হায়বহুনি, কায়নদ্রগা লোইরে।

ফুলোবাবু : কায়ববৃদি কবিগীম্মু কায়গদগে। চাইশেন ওইনবা, চারো মৌবৌনবা হায়বসি জিন্নস হায়বগী তৌনিরন। ঐনা খল্লিবসি অতৈ নত্তে, মুপামচা অতোম্পসিদা মাগী মথুরা অত্তনা পুধান পুথোক্কনা পীববদা, অমা অসিনা ঐডোন্দা অমুক ব্যাথা তৌহুনা খৎনবা হৌগদবহুন ঐনা খল্লিবসি।

মুংশিল্পা : করিনোনে হায়রিবসিবু মুপামচা অতোম্ববু মৈতৈ মরূপ য়াওহনবা ?

ফুলোবাবু : কনানা খঙগদগেনে। হৌজিক মানা ঙাঙলম্বহু নঙ তাঙ্খৌদমহুনা তৌরবনি। মৈতৈ মরূপ মাল্লবনিনে ম ল্লবা।

নোংমা পুরা মাগা রা ভাংনবা ভাব্রি।

ছুংশিন্না : খভদেনে মসিগী অভাংসি, পভচংতা চংতুনা লৈখ্রে। নহান মমাইবেন্ম তোম্বীনা তম্মী- -কনানো মশম থাকপা, মকোই মরাঙ চোম্বা অমগা চংমিন্নখি হায়য়ে। ঐদি চুন্না খভনরুবা ওইরমগনি খল্লম্মী, কনানা খভনো—গঞ্জাকা থকলম্বরা করিনো ঐহুম চিংনরকলে।

(ফুলো মমিং লাউথোক্লুনা তায়)

✓একাশিনীনম্ব তম্মী, নোংমদি মমিংকা ইভাঙ ভাভহুনা হল্লকই, চাক চাবদা মতোমতা নোকমি নোকমি তৌই হায়।

ফুলোবাবু : ভীমো! ভীমো! (ভীমো থোকলকই)

আয়, একাশিনী লাউ হায়যু। (ভীমো চঙখি)

শোয়ত্রে, মসি তৌরম্বা তারে, য়াহৌনা খেঙনা খেঙনা হৌরিবা, য়ৈসিরা হল্লম্বনি গঞ্জাকা থকলবদ, ঐভোন্দা অমুক মখুং হল্লক্লুনা শা লাল শানরনিসে।

(একাশিনী চঙলকপা)

উম, লাউ রা হায়গে।

কৈদৌঙৈ কৈদৌঙৈ হায়রা মানা— অা মোহননা চাক চাবদা মতোমতা নোকই হায়রবদো।

একাশিনী : (চীন খুমহুনা নোকই) নহান ম্ব দানি খুরাইবুংভে, চাক চাবদা মতোমতা নোকই, মতোমতা মুকম মুরুম শোল্লি।

ফুলোবাবু : উম রা হায়গে। নচ মুন্না যেংঙু, চেকশিন্না য়েংঙু, শেন্নৌ, ভাব তাব্রা? কবম্বা মতমদা হন্নকপা, চাক কবম্বা মতমদা চাবা, মানা তৌবহু চেকশিন্না য়েংলগা নোংমাইজিং খুদিংগী ঐভোন্দা পাউ তমগদবনি। চংলো

লোইশিল্লকপা অসি ইপা মুংঙাইরে। মচুগী স্পিরিট অদু কিপ অপ তৌগদবনি। নঙ কোনটিনেনটল ইউরোপস্ত মফম ফনা য়ামনা য়ৌরুরবা নত্রদে', অদুনি ইপানা পাম্বা। ইউরোপিয়ান ষ্টাইল ওফ লিভিং অসিনি। নংমা লাকলবনিনা হৌজিক্তি যুম অসি রিওর্গেনাইজ তৌবা তাবে।

দামুদর : ঐনা পাম্বস্থ মচুনি পাবুং। ইউরোপিয়ান ষ্টাইল ওফ লিভিং অচুনি। এনিরে, লেটশ সী হুয়াট রি কেন ডু! অদু মোহন্না স্তম্ভিবসি বি এ, ফাইনেল ইয়ার নত্রা?

ফুলোবাবু : মান্নি হন্দক বি এ থাগদবনি। আই দোনট নো হবাট কাইণ্ড ওফ বি এ হী ইজ গোইং টু ড়ু।

(মোহন মরু লুকথৈ)

দামুদর : কবি করি সবজেক্টনো মানা তমলিবনো?

ফুলোবাবু : পোলিটিক্স এণ্ড হিষ্ট্ৰী।

দামুদর : টেরিফিক।

ফুলোবাবু : আই রাজ বেটি ফোর ইয়োর এবাইভেল। মসিগী অঙাং অসি বা ছাণ্ডনবা য়াদ্রবনি।

দামুদর : মোহন নফি নবোলকাড় ইমোং মোংলিদা, য়ু বিয়েলী সীম শোবরী! ইহে নহাক্কি কলর কমবিনেশনগী সেন্সকা লৈজবা ওইরেকে। পেণ্ট অচুগা শার্ট অচুগা মচু তিম্নদ্রে। আই, ঐহাক হসাইমথ উদে, বাঠরুম চপ্পলস ওইর নঙনা এরোড্রোম শাম্না লাকপদা তো লকলিবদো, মাই গোড! য়ু আর ফকী দেট য়ু আর নোট ইন এ সিভিলাইজড সোসাইটি।

মোহন : হবট ইজ রোঙ উইথ ড্রেস?

দামুদর : ইয়োর টর্ণ আউট ইজ হোপলেশ ! ইন ইউরোপ য়্যু রিল বি টেকন ফোর এ ফুল !

মোহন : অহু লম অসি ইউরোপ নত্তে।

দামুদর : ডেটশ হোয়ায় আই সে য়্যু আর লকী !

মোহন : ইউরোপকা ঐখোয়গদি চৎনবী তিঙ্গসে নকস্থ নকমদে।

দামুদর : কন্নি নরুদনি। নও ইংলিশ এডুকেশন্ন তমলিবদুদি, এণ্ড ষ্টিল মোব আই হেভ জষ্ট এরাইভড ফ্রোম ইউ কে। আই হেভ এভ্রি ইউরোপিয়ান হ্যাবিট ইন মী ! ঐনা হায়রিবসি চৎনবী রাকম ডাকুমী নত্তে, ইট ইজ এ কেষ্টঅন ওফ ডিসেন্সি।

মোহন : আই এম ওলরেজ এ ডিসেণ্ট মোন !

দামুদর : আই সী ! ভ্যেরি অরগ্যুমেণ্টেটিভ। নঙগা রা ডাঙন-দবা ম্নাত্তেদনা ! নঙদি য়ামনা পঙলমলিদনা মোহন ! নেভর মাইণ্ড ! আই রিল টিচ য়্যু।

(মোহন কুমিন্না লৈ)

ফুলোবাবু : ফরে দামুদর, ফোরগেট মোহন ! হী ইজ ওনলি এ কিড। নাউ রি শ্যেল হেভ এ টোক ওন দি প্রোসপেক্টস ওফ ইয়োর ম্যেরিয়েজ !

(মোহন কুমিন চৌগত্তুনা থোকখি)

দামুদর : হোয় ! ঐগী লুহোংবগী রাকম অসি পাবুংথোইনদি য়ামরে, লুহোংবগী মুনিৎ অহুদা ডায়রে হায়বিরি। ঐগী ব্রাইড ওইগাদৌবিবী অহু মশক থঙদে, মাগী রাথলথা ঐসী রাগলগা তিন্নবরা হায়বস্থ থঙদে। ফষ্ট ওফ ওল আই বুড লাইক টু হেভ এ টোক উইথ হর, এক্স-ক্লুসিভলি।

ফুলোবাবু : নংগী পোইন্ট অসি লুহোংবা অসি নঙনা পামলোইদৌরি

দামুদর : কৈনো মৈতৈ পুরাণ হায়রবু ?

ফুলোবাবু : আ থায়নগী মৈতৈ অরিবা ব্রাইরিকশিংনি।

দামুদর : ও ! ইক ! ইরবীশ ! মত্তুরা কুরি তৌরগরনো ! ঐনা থনবদা মোর্ডন রে ওফ ব্রিভিংগি এড্পেট তৌরা ওস্মোইদরা অসিদনি।

ফুলোবাবু : ওঃ মোডর্ণ রে ওফ ব্রিভিংদি কৱি হৈতনি। মখোয় এঠলেটিক্স কা তৌবা কাডবুশিংসিদি শা-ঙা থাম্না চায় হাররনি।

দামুদর : আই সী ! ডেন ভেরি গুড ! এট ফিষ্ট লী রিগ প্রি-প্যার মী এ নাইশ ব্রেকফাষ্ট।

ফুলোবাবু : উম হৈগনি, য়েরুম হোবা, টোষ্ট শেম্বা, চা কোফিন-চিংবা লোনবা নীংথিনা হৈগনি। মতুগীদি রানীংঙাই লৈতে। চাকপুদি একাশিনীনা থোংগনি, মরক মরক্তা মানা মতেং থরা পাংগদবা মঙায়। (একাশিনী চঙলকপা)

একাশিনী : চাক লোইরে, থুড়াইবুংঙো চাইথবিবা য়ারে।

ফুলোবাবু : উম ফরে। ইবুংঙো চাক চানবা তৌরো, ইপাসু ইরুজনবা তৌররগে ! (থোকখি)

দামুদর : (ঘড়ী য়েংহুনা) টুবেলভ ঠটি তারক্লোরে। ইচে ! করি য়েঙ্খাং থোংঙি ?

একাশিনী : ডাক্রাগা শোইবুমগা থোংঙি ইবুংঙো !

দামুদর : ও আই সী ! শোইবুম হায়বসি রাদগী শেম্বহু ওইরি-নিনে।

একাশিনী : মাম্রি উশোইদগী শেম্বনি।

দামুদর : য়েংবা তারেদনা ! ইচে ! ঐ মায় অমুক্তা তারুখিগে অতুগা চাক চাগে—(থোকখি)

(মোহন চঙলকই)

মোহন : ইচে। চাক থাইরব্রা ?

একাশিনী : লেইবে ইবুংগো !

মোহন : কার লেপ্লে ?

একাশিনী : হে বেন চকশডদা ভগান।

মোহন : অঙ্গবু চৌষক কাংনো হায়যু।

একাশিনী : হে বেন চংগ খড়া য় দ্রবরা ?

মোহন : নিঙাই চৌখ্রদা লৈতা। তামো চাক চাখ্রবরা ?

একাশিনী : চাদ্র, নায় ভাবা চংশ, অহুগা চাগনি।

মোহন ঐ হোবেন মহোয়না চাক থোইরগ চাগে। পাবুংগা মাগ, হাম্না পিজখো!

একাশিনী : পুন্নপ চাব. কৈনোবগে ?

মোহন : উন ঐ মখোয় অনী স স্বাম্না হৈনরোইদোরি, ঐ কোম্না চাগে।

একাশিনী : কর থোবগে ?

মোহন : অহল অমনা সাহেবকী চুপাক, অমা নহা অসিনা সাহেবকী নম, ঐবুপু মখোয়দোন তৌ হায়রি, ঐনা মখোয়গা নাত অস পামজদবা।

একাশিনী : স্ন মহা মৈতৈ মরুপ্‌। কেম্না পাম্নী সিরা ?

মোহন : ঐডোন্দা লুহনজন্ত ! চুবা কায়জনিকো ! ঐ মৈতৈ মরুপ য়াংদেয়্রে ! ঐ চুম্নগী মৈতৈ অমনি

একাশিনী : পাবুংগ ডাকোগম্ব মৈতৈ নত্রা ?

মোহন : অহল অচুন হায়রিবা অহুদা মখোয়না মখোয়গী মশাগি স হৈরান হায়রয়ে, ইবেম্ম খঙলব্রসে ?

একাশিনী : ঐ য়া অমা হায় বগে, নহান থুড়াইবু ডোনা ঐডোনদা লুরবা য়াফম অমা শিন্নেয়ে। মহুগী মতুংইন্না ঐ থবক তৌদোরিবনি। অহুনা ভাডবা শকপা থরা চেকশিনজো।

মোহন : কদ্রি রা হায়রিবা ? কদ্রি তৌদোরিবা ?

একাশিনী : হায়রোইয়ে, পাক তেক হায়বস্তু য়াদে।

মোহন : হায়যু কায়যু। মত্রবদি ইচে নঙ চৈ চাজনি।

একাশিনী : চৈদি ঐ মস্তুযে চাদোববা !

মোহন : (একাশিনী মথুং লৈথেকই) হায়গেন্না ? হায়গেরা ?

একাশিনী : এঃ হায়রগ হায়রগ। অক্তব্রো নঙগী শাজং, নঙনা চোবা খবক, ডাঙবা শকপা পুম্নমক খুডাইবুংঙোনা নো নাহাক্ত খুদংগী ওম্মু হায়রে।

মোহন : (থাদোকতুনা) উম ঐগী ইথক্তা সি আই ডি ওইবু সিননে।

একাশিনী : ঈশ ! ওস্তোক্রা নাপ্রে, ক রগী নো অদুক য়ায়া তমখিরিবা ?

মোহন : কদগী ঐগে ন্দা করেম্ন রে ?

একাশিনী : অম্রে শবক লোহন লৈথোকখ্রে। নিশা চাত্রা করিনো খঃদে। মথুং কনখ্রবসিনা—কয়াদা নায়গেসে ! সৈতা ! কৈ খঙগনি হায়বা।

(শাউনা থোকখি, মোহন কপ্পী)

ভীমো : (চঙচকপা) ইবুঙো শে লাইরিকশে, ইবুঙোগী ওঝা চাউব হায়বদুনা পীবন্থ ন (মৈতৈ পুরান অমা পীবা)

মোহন : (লৌই, চেন অমা ফাক্তুনা য়েংঙি) উম, লোইয়ুম্বা শিল্লোনদনি—ঐনা য়ামনা দরকার ওইবা লাইরিকনি।

ভীমো : ইবুংঙো চুবু কৈ রববা ?

মোহন : নহানগীদে ? লৈাব। হোরেন মুংদাং থকসি। ইচে একাশিদ বোরা থরা হৌরম্মু হায়দনা হায়হৌ।

ভীমো : ইবুঙোনা চাক চাবদা হায়রগা লোয়রেদনা চাকশঙদা।

মোহন : হুনঃ তা ভীমো হায়যু। ঐনা হায়রবদি য়ারম্নোই, মাগা ঐগা খৎনরে।

ভীমো : এঃ [illegible] [illegible] ? [illegible] ? [illegible]

হায়রিবা ? [illegible] [illegible] [illegible] ।

[illegible] : হুম ! [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]। [illegible]

হায়দু হায়রিবনিনি। [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible]

হায়রবনি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] ভীমো—

[illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible] ।

ভীমো : এঃ [illegible] হায়রগে। [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] ।

[illegible] : [illegible] ?

ভীমো : (মঙক নোক্নী, মখোয় [illegible] [illegible])

লিব্রা ?

দামুদর : লুহোংবা য়ানীংদে হায়বগী ব্রা নচ্চদে। ঐহাক সাই-কোলোজিকেল্লি প্রিপ্যার্ড ওইরে। লুহোংবা হায়বা অসি মুপা মুপী অনিমক্কী সাইকোলোজিকেল প্রিপ্যা-রেশন অমা চংলী। মতুংগীদমক্তদি ঐহাক য়াজরে। অদুবু অমুক খণ্ডনবগী মী অনী নৈংমিয়বা তাবনা অহানবদা অণ্ডরষ্টেনডিং অমা নৈত্রবাদ লাইক অসি সমষ্টি মলাংনিংক্তনা ঙম্লি। অদুনা মুপী অদুগা অহানবদা খণ্ডননীংডী।

ফুলোবাবু : য়েল, ভেরি গুড। মতুংগী প্রোপোজেল অমা মুপীমচা অসিগী মপাবুংদা পীত্রগনি। অদুগা খণ্ডননবা এরেঞ্জ তৌবা তাইদনা। ডেটশ ভেরি সাউণ্ড রিজন! আই একসেপ্ট। ইট আই থিঙ্ক ইন ইউ কে— অদুম তৌই নত্রা ?

দামুদর : থ্যাংক্স টু টোক অফ ইউ কে। ডেটশ এ রাণ্ডর-ফুল পশ। বাণ্ডরফুল সিভিলিজেশন। আই এড-মাইর ইট।

ফুলোবাবু : গ্রেণ্ড।

দামুদর : মায়হাকশিংগী লিপি নাশ্মী মংগা ফায়বা শে অদুগা য়াম্না হণ্ডনা থো নত্রা অমনা অমগী মেন্টল এটিটুড, এপটি-টুড, লাইকস এণ্ড ডিসলাইকস, এডেপ্টেশন—পুম্নমক অসি হান্না লুহোংদ্রিণ্ডদা শেন হণ্ডনব ডাক্তান।

ফুলোবাবু : আই সী।

দামুদর খ্যমগোমদ হান্না পাননব মতুনা মপুক ফংব্রা খত্তবরা, লৌকপ্রা লৌকনবা, মীচা মীচান ফবরন চবা, লেখরা লেমদবরা আসনচিনা ব্রাকম অসি খবা এসেশ তৌবা

ভমগনি। অদু মত্তুন, শুকউ উনখিদবা, খঙনদবা মী অনীথক লুহোংবগী থোরী অদুনা পুনবদি মী অনী অদু ফাজিনবগুম থোকনি। আইডিয়া মান্নরমক্রবদি খংনদুনা রা থোকলোইজ্রা ?

ফুলোবাবু : অদুদি লুহোংত্রিডৈদা খঙনবা, চান্নবা, নুংশিনবা অসি নঙনা এনডোর্শ তৌরিদনা ?

দামুদর : য়েশ ! আই ডু ! বৎ ডে শুড নোট গো প্রাইভেট !

ফুলোবাবু : আই সী !

দামুদর : অনাদর ঠিং আই ড উট ইজ হেবভর ব্রিল শী বি এবল টু লিভ অপ টু মাই এক্সপেক্টেশনস !

ফুলোবাবু : ব্রেল, শী হেজ টু বি ট্রেণ্ড। মহাক তম্বিবা তারেদনা। এখোইগী ফ্যেমিলিগী ট্রেডিশন অাস মহাকস্ন খঙবা তারে, এখোই ইমুংগী য়ুমলৈ কৈরৈ ভাব তাব তারে, মহাক এডেপ্ট তৌবা তারে।

দামুদর : ওফ কোর্শ শী হেজ টু ! অফটর ওল শী হেজ টু কম টু ডিশ ফ্যেমিলি, এণ্ড বি এ পার্ট ওফ ডিশ ফ্যেমিলি। বাই দ ৱে, মখোয় ইমুং মন্ন করম তৌবগে হায়বা অসি পাবুং ভাব তান্নবা নত্র ?

ফুলোবাবু : য়েশ য়েশ আই নো ! মখোই ইমুং অতক য়াম্না কন-সরভেটিভ ওইবা ইমুং নত্তে, মপীমচা অদুস্ন মোর্ডন গর্ল অমনি। এঠলেটিকস এণ্ড গেমসনচিংবদা ব্রু কয়াস্ন ফংতি হায়বনি, লাইব্রিক লাইশুস্ন নীংথিনা ভাব তানা তম্মী, এনা খিত্তং চিংনবা হায়ববু মাগী মধুরাছ টৈতৈ পুরাণ খরা পাই হায়, মহুনা নুপীমচা অদুদা ইংক্লু-য়েন্স গরা লৈরমগদ্রা খল্লি।

অনীশুবা অঙ্ক
অহানবা চীংপা

(দামুদরগী ডাইনিং রুম, টেবল অমা থাই, মৈকি অনীমক মাকদা ওনশিন্নহনা থাই, ককলাং মথাক্তা কপবর্ড অমা লৈ, মথুক্তদা টেবল কপ প্লেট চামী পোৎনচিংবা উই। দামুদর, ড্রেসিং গাউন শেৎলি, নাইক অমদি কোর্ক পায়রহনা কেক কাইচারি। থুং ওইনা কেক মচেং অমা লৌহনা চীকই, অরুনা চা শেম্মী, রুনেক অভ্যান্তরা অমা শেৎলি, গুলাপ মচুগী কি ইস্ত্রি, শেগুল তোংজি)

দামুদর : হোয়েন পুং ৬ তা পার্টি অমা চংখ্রবনি। ঐ কার্ডতা টাটিদা থমলি হনকনি। মতম চানা লোইরম্মু, নখি নহোন অমু ইফেনিং ড্রেস শেৎখদবনি, ঋামনা স্মার্ট টরন আউট অমা ঐহাক পাম্মি।

অরুনা : (চা হৈহনা) ঐ চৎলক্লোইক্লে অদোমদা লেওবিরো।

দামুদর : কম্বি হায়বা? চৎলরোই? হরাম? হুআট ইজ ডি মেটর?

অরুনা : ইকাইজেয়ে, নুহোংবসু ইকুই কুইত্রিৱৈনা পার্টিদা হায়না থোরকপসি ঐ কয়া পামজদেয়ে।

দামুদর : ও: রবীশ। কৈদৌবগী ইকাইদোরিবা? (চা ফরই)

অরুনা : হুম: ঐ ইকায়রে!

দামুদর : বেল! লিভ মী প্লিজন।

অরুনা : ইকায়জে—ডেটস ওল!

দামুদর : ডেটস নোনসেন্স! ইকায়বগী মরম পীয়ু হায়বনি ঐনা হায়রিবসে।

অরুনা : মরম হায়ববু হায়খ্রিবসিনি, করি হেম্না হায়নীংঙাই নৈবগে ?

দামুদর : নঙসি য়ামনা মন্নড় কনা[illegible] [illegible]বিয়েল্লি বেবেল্লিয়শ।

অরুনা : ঐনা রেবেল্লিয়শ ওইবগী য়া[illegible]ম [illegible]। ঐগী য়াখলনা পার্টিদা চংপা অসি পাম[illegible] [illegible]

দামুদর : পার্টি ইজ এ [illegible] [illegible]। করি কায়রদনা কবিদা পাম্মা[illegible] [illegible] ?

অরুনা : ঐ মীগী মতো [illegible] ইকা[illegible]জয়ে।

দামুদর : ও হেল। কনাগী মতৌ [illegible]দৌ'বনা ?

অরুনা : চংকদৌ'ববা পার্টিস [illegible] [illegible] পার্টিনো ?

দামুদর : কৈনো কবম্বা মখলগী হায়[illegible] [illegible] ওফিসারস ক্লব। ড্রিঙ্কস [illegible] ডান্স। [illegible] [illegible]।

অরুনা : ঐ শোয়দনা চংলরোই[illegible]।

দামুদর : কদায়দনো নঙনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]বা অতাবো ? নঙবু [illegible] য়াম্ম কৈ [illegible]। অসুক য়ামনা [illegible] [illegible] [illegible], কয়া অতুক য়াম্বা একটি ভটি [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] য়ু বিল [illegible] অপ টু [illegible] এক্সপেক্টেশনস।

অরুনা : ঐ মখোয়গী [illegible] [illegible] [illegible]।

দামুদর : আই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ট্রাট— য়ান, টু [illegible] [illegible] য়ান [illegible] [illegible] য়ান টু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়বনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বিঠ মী। ঐগী [illegible] [illegible] [illegible] নঙবু [illegible]বগী ভাইয়ারবনি। নঙ শোয়দনা ঐগা চ[illegible] [illegible]দে।

অরুনা : লোয়নমক লোকর ভাক্তনি। তৌশন্নবা ভাক্তনি অহুনা ঐ মখোয়গী মরক্তা চৎপা পামদে হায়রিবনি।

দামুদর : টেরিফিক ! হাও ডু য়ু চার্জ ইভরিবোডি ? ঐবুস্তু য়াওরেনে নঙনা হায়রিবসিদি ?

অরুনা : অদোমস্তু তৌশন্নবা ওইরবদি য়াওরেদনা। ঐ থোই-দোক্না ঐগী জডজমেন্ট লৌবদা মীচঙ মীখায় নাইদেয়ে। ঐ অপষ্টার্টশিংগা সঙ্গ তৌবা পামদেয়ে। ঐ হস্বল কম্পনি পাম্মী।

দামুদর : অরুনা।

অরুনা : ঐ হস্বল হোম স্নমা পাম্মী। ঐগীস্তু অপাম পামদা লৈয়ে, অরংবা পোৎ ঐহাক সনানি হায়না লৌদেয়ে।

দামুদর : য়ু আর এ রেবেল এন্ড এ গাল। নঙবু করমনা কনভিনশ তৌহনগদগে হায়বা ঐহাক থঙদে। নঙ ঐগী জডজমেন্টসি চুমদে হায়না খনব্রা ? আই ডোন্ট ঠিঙ্ক আই এম রোঙ্গ। এনিরে, ঐ নঙবু খঙনবা তাকখিনি, ঙসি মতম লৈত্রে, ঐহাক হৌজিক থবক চংকদবনি।

অরুনা : ঐনা খনবদা অদোমগী থবক অহুনা ঐগা ঙাওনরিবা প্রোব্লেম অসিদগী হেন্না লুগনি থাজদে। অহুনা থবক চৎপা তোক্তুনা ঙাওনরিবা রাফম অসি চৎথবনা অদোমগী হেন্না তোংজগনি।

দামুদর ; টেরিফিক ! নঙনা হায়রিবসি, ঐগী থবক চৎপা চত্তবা নঙগা মরৈ য়েৎনগদবনি সিনিনে।

অরুনা : ঐনা হায়জরিবসি মরৈ য়েৎনবা নত্তে। অচুম চুমদ খঙনসি হায়বনি।

দামুদর : অরুনা ! ইট সিমস য়ু ডু নোট রিগার্ড এণ্ড রেশপেক্ট মী। নঙ ঐবু থাজদে অমদি ঐবু ব্যবহার তৌদে।

সিল্লি গার্ল! ঐ রিটাইর্ড জজ্ কুঞ্জোবাবুগী, মচা মহুল দামুদরন লণ্ডনর, ব্যারিষ্টর, য়্যোর হসবেণ্ড। নচ্ছী নপুরোইবা! মসিদা নহাক নপুক্কিংদা চাউ-থোকপা ওমদেন্? সো য়ু আর টোকিং এস ইফ য়ু আর টোকিং টু এ কনত্রি বমপকিন। পঙথ্রবা খুনুংগী মী অমদা ভাওবগুম্বা নঙনা ঐভোন্দা আরগ্য তৌরে। টেল মী। হুয়াট ডু য়ু য়ান্ট একচুয়েল্লি? নঙনা থল্লবা, নঙনা পামলিবা অতু শেনা হায়রু। ঐস্সু ঐনা পাম্বশিংত্থ নভোন্দা হায়রিবা অতুনি। য়ু ইউ মষ্ট মেক অডজষ্টমেণ্টস।

অরুনা : ঐ অদোমগী নুপীনি ঐহাক ভাব মুন্না তাই অদোমস্সু ঐহাক অাস অদোমগী নুপানি হায়র্বাস মুন্না খঙবিয়ু।

দামুদর : আয়! মতুঙ নঙ ঐদা নত্তে জগৎ পুম্নমক খঙলি। লুহোংবা হায়বা থবক অমা তৌরিব্রা. নঙনা ঐবু তরেংলক লৈ চাইতুনা কোয়রগা কুণ্ডো পরে, অমা হুকপা, ঐনা অমুক নংভোন্দা কণ্ডে পাঙ্গে ঙমা হুকাংবদো ময়ামগী মমাঙদা ইবাংসে হসবেণ্ড এণ্ড রাইফ ওইরবনি হায়বা তাকপনি। মী খাইনম্থ শাক্ক ওইহোরবা — মতুবু ঐনা কাউথোকই সিবা নঙগ্না তৌর্থবু?

অরুনা : অদোমদি লণ্ডনদা ব্যারিষ্টর ওমলকলে হায়না য়ামনা শিংলবোই নাংবিরমল্লে। অদোমনা ঐভোন্দা অদোমগী আইডিয়া কয়াবু খঙদে হায়তুনা তাকনি হায়বগুম্মদনা ঐস্সু ঐগী আইডিয়া কয়া নৌহোনা তাকপা তারি।

দামুদর : মী অপঙবনা মশা মশানা খাইদগী শিংবনি হায়তুনা নীংঙি। ঐদি ইশানা খাইদগী শিংবনি হায়বদি খন্দে।

অরুনা অপঙবসি নংরা ঐনা অহুম থনজরো। এনিরে নঙ্গা ঐগ্নসি অপায় পামদা অমুক এক্তচেঞ্জ তৌনবা তারি। (মোহন চংলকই)

অরুনা : রাবল য়ামনা তৌরগা লেপ্লবনি ঐ চৎলোই।

দামুদর : (থোকন) ঐ থংগ্রে, চংনবা তৌ। (থোকখি)

অরুনা : (লাউবন) ঐ চংলোই হায়জরিবসিনি।

মোহন : কদায়দলো, ইতৈম ?

অরুনা : ক্লবতা !

মোহন : চংলু নেপোবনা ? ঐ। হায়রু য়ামনা নুংঙাইপ্রবা মকপনিনা। মা চাওখৎপা ময়াদগা তিনফমনি কৈনো।

অরুনা : ইতৈমদি মা চাওখংপা জাং তিনবা পামজদেয়ে ইবুং-ঙো, মপান ইপান থেংকংদনা য়ুমসিদা অমুম লৈজবনা হেন্না পামজে।

মোহন : করিনো মা চাওখৎপা জাং তিনবা পামদে হায়সিবো ?

অরুনা : ইবুঙো- চাওখং।॥ ঙখসি থেল্লরে, ইতৈমগী অর্থগা নখোয় তামোগী অথনা মান্নরে। অহুনা নখোয় তামোগী চাওখংপা মকপ মপাং ময়ামগা ইতৈমপা থজনবা পাম-জদে। (চা শেনজপা মোহনদা পী)

মোহন : চা থককুনা) অহুদি ইতৈমগী অর্থাদি করিনো ?

অরুনা : ইতৈমগী অর্থ কৈস্ম লেতে, ঐনা পামজবা হায়জরবু ঐহাক মৈতৈ নুপী অমন হায়বসি থজবা অসিতনি। মহুগীদমক ঐহাক চাউখোকচবা ঙম্মী, লন অসিগী মীনি হায়না খনবা লম অ'দগী মীগী ভেম্যু মশক থঙবা মীশিংবু ঐহাক্না চাওখৎপনি হায়না লৌই।

মোহন : ডিযার য়্যু আর ইতৈম ! অহুনি অহুনি, নঙ ঐগী ইতৈমনি, ঐগী ইতৈমা। মশিপুক্কী নিংঙোল। বকায়ে

যারে ঐ যারে, ঐগা অর্থ মায়রে। ঐভোন্দগী ইতৈমনা খঙবা য়ারী ময়াম লীখিয়ু, ঐনু ভমগে ঐহাক চাওখৎপা মী থিরিবনি।

অরুনা : ইবুংঙো, ঐখোয় ময়ামসে স্রেষ্ট'ন এহুকেসননা ঐখোয়বু মণিপুরদা লেপ্পগা মায় অসি নোংচুপ ওলহন্নগা য়েং- বনি। নংগী মায় অহু নোংপোক ওন্নগা মুননা য়েংঙু, অহুগা নশাদা ওনশিন্দুনা নঙগী অকোয়বদা লৈরিবা মী অমদি নশাগী পোৎশকসিং অহুদা য়েংঙু. নশাকী অশেংবা নশক খঙগনি।

মোহন : ইতৈমা নঙদি য়ামনা কলচর ভৌরমলে, বাই গোড! ঐ থাজরমদে, ঐসু পারা ফনা কারবোই নীংঙি, অহুবু ইতৈমা নঙনা হেল্লে, ঐ য়াযে। ফরে, ঐ লাইযিক ঐরাইরুখিগে, চৎলগে।

(চৎকে ভৌবদা একাশিনী চঙলকই)

এঃ ইচে সি আই ডি! ইতৈমা! ঐখোয় ইচেগী মাঙদা পংঙাঙ ঙাঙজন্নু।

একাশিনী : ইবুংঙো, রাশি লৈবা! ঐবু মচু শঙবিগনু, ঐ কনাগীনু মীচঙ চঙজদেয়ে। ঐগী ইথোঁতনি ভৌজবা, ইচেদা মল্লোম থমগনু!

অরুনা : নত্তে, কৈদৌনরবগে?

একাশিনী : ঐভোন্দা ননাও ইবুংঙোনা শাউরিয়ে, মানা নখোঙ হুকত্রগা ঐভোন্দা তাইনরিবা! চৎনীংবা মতমদা পংচৎ চৎ, হল্লকনীংবা মতমদা হল্লক, পাবুংনা চৈরগা ঐভোন্দা তায়নরিবা।

মোহন : কাগী ভৌবনি ইচে শাউগনু।

অরুনা : জগোয় শানিংলগা সিদা শাসি। য়ু থকনিংলবসু সিদা থকউ। ঐ মখোয়গী ব্রব অহুদা শুকচং চংলোইয়ে।

দামুদর : হরাট কাইণ্ড ওফ গার্ল য়ু আর আই রোণ্ডর ভেরি কনসর্বেটিভ। মুমদা জগোয় শাবা য়ু থকপগী কবি অর্থ লৈ? মতুগীদমক্তা ক্লবতা চংসি হায়বনি। নগুসিদি লাইবিক টৈ হায়ববু খুমুংনিদনা।

অরুনা : ঐ খুদুং নত্তেয়ে। অহুব ক্লবতা পার্টিকাদি শুকচং চংলোই হায়বিবসিনি।

দামুদর : করিগী মীনোনেসিবু। হেল! নগুনা পামলিবসি নখোয়গী উফুল মবক্তা থাবলচোংবীকা হায়বহুবা? সোর মতু গুইগনি নগুনা পামলিবসি।

অরুনা : হোয়, থাবল চোংবা হায়বহুদি ঐ পাম্মী। লৈশাব্রি-লৈদা থাবল য়াম্না চোংওকই।

দামুদর : পাথং ওমনা নখুং লাক্তুনা চিংবা ওমনা ওমুক চিংবা অহুনা শেন্না চুংডাই সিবা?

অরুনা : পাথংনা খুং লাক্তুনা চিংবনা চুংডাইবগী রাফম নত্তে ঐনা হায়বিবসি।

দামুদর : লুক! থাবল চোংবদা লাবপা পাখং ওাংশিন্নবা, মশাগী রাংগল যাংবা, ঐদি হৌনদে থগুদবা অহুগুম্না মী নত্তে ক্লবতা লাক্কদৌরিবসে। জেন্টলমেন ওাকুনি। হায বেস্কিং এক্সিসারস এণ্ড লেডিজ! থগু-লেদনা! অম্মু লু, হেংগ্রবা চাওখংগ্রবা মী ওাক্তুনা শিল্লবা মকসিদা নগুনা চংলাই হাযবসিদি ঐগী ইচ্ছং য়াম্না মাংগ্রে।

অরুনা : ঐস্ম মথম অহুদা চংপহু ঐগী ইচ্ছং মাওঙি হায়না খল্ল

দামুদর : বাই গোড। অরুনা য়্যু আর চ্যেলেঞ্জিং মী !

অরুনা : ঐনা চ্যেলেঞ্জ তৌবগী রা নত্তে, ঐনা পামজদবগী রাকম হায়রবনি।

দামুদর : করম্না নঙগী ইজ্জৎ মাঙগদৌরিবা ?

অরুনা : অদোমগী করম্না ঐনা চৎত্রগা ইজ্জৎ মাঙগদৌরিবা ?

দামুদর : বিকোজ য়্যু আর মাই রাইফ ! সো—এ রাইফ মষ্ট রেসপোণ্ড টু হর হসবেন্দস লাইকিংস ! মপীনা মপুরোইববু মুংঙাইনা লৈহনগদবনি, মপুরোইবগী সেন্টিমেণ্টতা রেসপোণ্ড তৌগদবনি, মপুরোইবগী অপাম পামদগী মরমদা রাথন থনগদবনি, মুনা তৌগদবনি। ঐগী মরুপ মপাংশিংনা হংলগা ঐ করি খুমগনি ? ঐনা মখোয়দা নহাক শোয়দনা লাকনি হায়দোক্লমলে, নঙনা চৎত্রবদি ঐগী ইজ্জৎ মাঙত্রা ? বিকোজ, আই ফেলড মাই প্রোমিজ টু মাই ফ্রেণ্ডস।

অরুনা : অচুক যাম্না লুবা রা নত্তে অদোমগী রাকম অচুদি, মশা ঙমদ্রে লাকপা ঙমদ্রে হায়বিরো।

দামুদব : নঙগী ফিলিং অসিদি মতম পুম্নমক্কী রুবতা চৎলোই হায়বনি, ঙসি চৎলম্নু হয়েংম্রক্তি করি খুমগনি ?

অরুনা : মতুংগীদমক পাউখুম অমা থিসি।

দামুদর : নঙসিদি চাউখৎপা মফমবু পামজচুনা খুন্নুংদা চুশিন্দুনা লৈগে হায়বা ওইবেকো ! মাই গোড !

অরুনা : (ঙাইহাক লৈরগা) কনা কনানো রুবতা লাক্লিবা মীশিং অচুবো ?

দামুদর : অয়াম্বনা গভর্ণমেণ্ট ওফিসারশিং, মিলিটরী ওফিসারশিংনি। অতৈ অতৈ লম অসিগী ইনাক খুনবা ভদ্রলোকশিংনি। নোট এ সিঙ্গল লোফর ইজ ডিযার।

একাশিনি : (শাওনা) শাওজদে ইবুংঙো শাওজদে। অঙমবা মকমদা থোনা উৎপা, ওমদবা মকমদনা ছুমিন্না লৈবা। (পুক্নিং যুং-শিনা) ইচেবু নমলানবনি থলহনগনু (গুং গুং কপী)

মোহন : এঃ এঃ ইচে ! হায়জররোই, ঐ থুকমজরে ! ঐ লানজরে। ঐনা লানে, নোয়োক তাগে ঐনা লানে।

(একাশিনীদা থুকমই, অকনা নোকই)

অনিশুবা উৎপা

(ফুলোবাবুগী ড্রোযিং রুম। অতুক পুং মিপাললোম তাৰা। ভীমো ফি অমনা আম্মাং শকায় কনলোকই, সোফাশচিংবা মফম চানা শেমজিল্লি। রেডিওগা মনিপুরী আধুনিক অমা শকলি, ভীমোনা মোন হুণ্ডাইনা [illegible] থাবক্লা থবক [illegible]। ফুলোবাবু ড্রেশিং গাউন অমা [illegible] চত্লকই [illegible] ভীমো হন্দোক্লুনা লেপ্পী)

ফুলোবাবু : উম, মথোযগী আধুনিক অসি ফনা ফবিনে।

ভীমো : ঐজ্জা ননাই শিং মথোয় নহারোল্‌শিংসি ফনা ফবা য়াওরিয়ে। মক্কৌশাগী ঊেশেগা ফনা [illegible] ঐজ্জা।

ফুলোবাবু : উম [illegible], [illegible] থোবলক্‌খিনি। [illegible]

ভীমো : ঐজ্জা [illegible]। [illegible] লোনবা লোইশনলগনি

([illegible])

(দামুদর চংলকই)

ফলোবাবু : নিপামচা [illegible] থংদৈ হাযবিবসে?

দামুদর : এ [illegible] বুং [illegible] কনগ্রে, মা [illegible] চুগরোক্তদৌরে।

ফুলোবাবু : কবি [illegible] হানরবা ডা [illegible] লোকই?

দামুদর : রেষ্টন আর্ট [illegible] শুকতৌ ভৌদে সোশেয়ল [illegible], [illegible] গুরুয় [illegible]। [illegible]

(ঘড়ী য়েংঙি) অঙাংগী রাখল অসিদি মথোয়বু খর্রা এটে্রক্ত তৌবা রাফম অদুদা হেক্তা ইনবনি। অচুম অয়ান থঙবা ঙমদবনি মথোয়না। অচুম্বা রাফম তাকপা তায়। (ভীমো চঙলকই)

ভীমো : ইবুংঙো — চা টোষ্ট তয়ারি তৌরে, লেঙঙকপা য়ার্রনি।

দামুদর : (ঘড়ী য়েংদুনা) ওঃ য়ারে! ঐস্তু চানীংলবনি। তাদদি চা থকলবরা ?

ভীমো : থকচরে, হবেম্মনা লোনবর্নি, ওম্থোকনা হাউরে।

দামুদর : অদুদি ঐস্তু থকলুখিগে। (থোকখি)

ফুলোবাবু : আঃ ভীমো! একাশিনা লৈব্রা ?

ভীমো : লৈ। করি তাকপীগদবা ?

ফুলোবাবু : অমুক্তা বৌরবউ। অদুগা মুপ্পীমচাগু লাউ হায়য়ু।

ভীমো : য়াম্না ফনি ঐজ্ঞ ! (থোকখি। ফুলোবাবু খবর ফাক্কুনা য়েংঙি, একাশিনী চঙলকই)

একাশিনী : খুবাইবুংঙো! করি তাকপীগদবা ?

ফুলোবাবু : মোহন্দু ঙরাং থেঙনা হল্লকপ্রা ?

একাশিনী : ঐ তুম্বফাওবদি হল্লকহোদে। কয়াম থেঙনা হল্লকপনো হায়বা খঙজদরে।

ফুলোবাবু : নঙবু ঐনা মোহনগী মবমদা শিন্নবা রাফম অদু নঙ য়েংশিল্লিকো ?

একাশিনী : অহোয়।

ফুলোবাবু : অদু নঙ কবি কবি খঙলে। মোহন্না করি করি তৌই ?

একাশিনী : থোইদোকপা অনৌবা রাফম লৈতে খুবাইবুংঙো, হন্দক মরক্তি ইচৎপু চংথোক্কে। নোংফাদোক অহিং থেঙনা

হুম্রকপা মণ্ডাক্ক।

ফুলোবাবু : মুম্না য়েংশঙ্কবনি। চাক মুং চাবা মতম, চানা চাও হায়রু, চংথোক্তনা যুমদা লাইরিক ওয়াইতুনা লৈরু হায়রু। ঐনা হুক্ক হায়র্নি হায়রুরু ভবতত্ত্ব, নঙনা লয়াই ওইনা হায়গদবনি থক্তলত্রা ?

একাশিনী : য়াম্নবুদি ফরেদা। মুমিদাং অয়াম্বা ওস্তা হম্লকই, বোরা চাগমি হায়রুনা ঐনা বোবা হৌতুনা অয়াম্বা মতম চংথোক্তনা বোরা হৌবা লোইবা ঙাইতুনা লৈরবনি।

ফুলোবাবু : উমঃ ভেরি গুড মানা অপাম্বা চাক য়েঙ্গাং থোংজুনা পাঁজো, চংথোকহনগণু। আ—মতৌমগাদ তিল্লবা য়াত্রা করম তৌই ?

একাশিনী মতৌমনা য়াম্না লুনা তৌই, মানম্ন লুনা তিত্রে। লাইরিক লাইগু তাকথোক তাকাশন তৌরবান, মতৌমবুদি য়াম্না য়াই। মতৌমনা পাবা তাকাপ হায়রুনা চাক চাবা খুদিং য়াবা লী।

ফুলোবাবু : উম ঐগী ইমো আস শোয়দনা ফগনি। অদু মাগা দামুদরগা থংনৈ হায়বাসবু চুখ্নে ?

একাশিনী : থংনদেদা কারবু থংনকুগবনো ? (অরুনা চঙলকই)

অরুনা : ঐবু কৌবিত্রা পাবুং ?

ফুলোবাবু : উম কৌই। নঙবু দামুদরগা থংনৈ হায়রবু করিগীনো ?

অরুনা : থংনদে পাবুং, চুম্না অরগ্যুমেণ্ট থরা তৌনবগী য়াক্ষমনি।

ফুলোবাবু : উম। থংনবা য়াদেকো ! থংনবা হৌনদে। ভাব তানা এডজষ্ট তৌননবা হোংনৌ। ভাব তানা চিকথোন নাউথোম্না লৈগদবনি, যুম আসগী শান্ত অসি নঙনা থমগদবনিকো, ভাব তারেদনা।

অরুনা : মথোয় তামোনা থংনৈ হায়বা ওইরমগনি। করিম্নু থংনবগী

ম্না লৈতে পাবুং !

ফুলোবাবু : গুড ! ফরে ফরে, ভাব তাংদরানি। অদু মোহন অদু মাগী লাইব্রিক লাইগুকতু থরা য়েংশিন্নু। ঐনা তাত-থদি মানা লৌবা পোং নত্তে, মমানা হায়বসু মানা ঙমদ্রুনা লৈরবনি।

অরুনা : ইবুংঙোদি অফবা অভাংনি, ভাব য়াম্না তাই, থরদং তাকপদা-য়াম্না থুনা খঙবা ঙম্মা।

ফুলোবাবু : নত্তে, মাগী আহাউয়াবু করম তৌগে, নঙগা তিন্নবা য়াব্রা ?

অরুনা : হোয়, ইবুঙোগা ঐগা আইডিয়া য়াম্না মান্নে। হ্যুমেন ভেলুগী কনশেপশন অসি ইবুঙোগা এগা মোত অমত্ত ওইনা তৌই। (ফুলোবাবু মাংলাওথোক্লুনা তায়) নৌংথিনা য়েংবিরবাদ, মণিপুরগী কাম্নবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙমগনি থাম্ল।

ফুলোবাবু : করম্না মথলগী কাম্নবা থবক্রো ?

অরুনা : লৈরিবা পিপলস আসনী অসেংবা মশক উংনবা হোংনবদা থিজিনবগী শরুক কয়া অমদি পিপলস অসিগী এনটিটি অদু পুথোরবা হোংনবা ঙমগনি অসিনি।

ফুলোবাবু : হান্না লৈরিবা, হৌজিক ওইরিবা অসি নত্তবা অতোপ্পা অমা লৈ অসিরা ?

অরুনা : অহোয় হৌজিক লৈরিবা, অসি ঐখোয়গী মোতত্তদি সুপরফিশ্যেলনি হায়না থল্লি।

ফুলোবাবু : কনা কনানো ঐ-খোয় হায়বাদ ?

অরুনা : সোশ্যেল অপলিফট এণ্ড রিকংস্ট্রক্সন সোসাইটিগী মেম-বরশিংগী মোত্তনি।

ফুলোবাবু : ও ! অদুগুম্বা সোসাইটি অমা লৈবোইরেকো ?

অরুনা : অহোয় ! ঐসু কলেজ অমদি ইউনিভরসিটিদা তমলিবৈদা মতুগী এক্টীভ মেম্বর অমা ওইরম্মী। ঐনা ইবুংঙোসু মতুগী মেম্বর অমা হৌজিক ওইহল্লে।

ফুলোবাবু : আই সী ! কনা কনানো মতুগী মেম্বরশিং অতুদি ?

অরুনা : অয়াম্বনা নহারোল ভাক্তনি। অভাং ভাক্তা ওইবনা পাবুংনা মুন্না খঙদবনা অয়াম্বা ওইগনি।

ফুলোবাবু : নহাকসু হৌজিক মতুগী মেম্বর ওইরিব্বা ?

অরুনা : ঐহাক সোসাইটি অসিগী ট্রেজররনি !

ফুলোবাবু : উম।

দামুদরদি খঙব্রা মতুগী মরমদা ?

অরুনা : খঙদে, মসিগী মরমদা থোইদোকপা রারী শাদ্রি।

(নুংশিস্না চঙলকপা)

নুংশিস্না : মখোয় পাবুং ভাবিবত্রা ? হয়েং নুংথিল থোকচোম লৈকায় মো লৈশাবীশিং কাং শান্নগনি হায়রি, ঐখোয় নুপী-মচাসু য়াওদবা য়াদে হায়রি, পৈশাসু হাপ্পীয়ু হায়রি মখোয় অভাংশিংনা।

ফুলোবাবু : মতুদা ঐগী কয় দরকার লৈ ? দামুদরগা তান্নৌ, পৈশাসু মতোন্দগী লৌ।

নুংশিস্না : নুপীমচা নঙ হয়েং কাং য়াওগদবনি, হোয়েন নুংথিন মো লৈশাবী ময়াম লাকনি, মরোল নিংথিনা হায়খো। দামুদরদগী পৈশা পীযু হায়য়ু, হোয়েন মখোয় ময়াম লাকপদা পীখিনবা। আ নঙবু কাং শান্নবা হৈব্রা ?

অরুনা : হৈ। লৈশাবিবৈদ য়ান্না শান্নরকই।

নুংশিস্না : একাশিনি নঙসু অশিন অরাং থরা য়াওননবা তৌ, শান্নগদবা লৈরবদি থরা নীংথিনা হোৎনবা কৈ।

ফুলোবাবু : করিনো এডভেঞ্চারমেন্ট লৌগদবনি এক্সপ্লয়টেশন, অসি পাক হেক লৌথংলে হায়বা য়াম্বা নত্তে, তম্পা তম্পা তম্বী-গদবনি।

দামুদর : তম্বীবা লৌক্লরোই। মসি পুম্বা ডাইহার্ড নি। মাগী কমপ্লিকেশনসে কনস্ট্র, ঐগা ইক্নহন্না আইডিয়া অসিদা ক্লাশ তৌনদৌরি।

ফুলোবাবু : অম কন্নিগীনা অতুক যাম্না মপুঙ ফল্লিবদি? কনানা ইনশিন্নুনা তৌবিবগে? (চেহাক থল্লগা) শোয়দে! মোহন্না ইনশিন্নমগনি। মসিগী অডাংসি মানা থোকপা অমা তৌবনি, মানা উশিংপা অমত্তা লৈতবনি, শোয়-দনা মানা মাগী পারাশিং তাকশিন্নমগনি মতৌমদা।

দামুদর : করিনো পাবা হায়বদি? মোহন্না করি পাম্বা ঐরাই-রিবগে?

(ভীমা ফুলোবাবুগী চা পুরকই চা থনমলগা চত্থি)

ফুলোবাবু : চা থকদুনা) মহাক বিশার্চ তৌরে হায়নে— মণি পুরগী মেনশিন্ট বলন্স্ দে ট্রেডিশনদা! তত্তুনা ইউ-টোপিয়ান লাইফকসি মানা থাবিপোং নত্তেনে। শোয়দনা মশানদা লেকচর লৌরমললনি, অতুগী ইকৈক্কৈ ওইগনি।

দামুদর : আই সী! ওইবা তারে মাগী অরগ্যুমেন্টদা মতুগী র য়ামনা য়াওই, আই গেট ইট। সো মোহন ইজ ডি ব্রেন! মতোন্দা চপথ পা তাবেদনা

ফুলোবাবু : শোয়দনা ওইগনি। মোহনগী মাগী থাম্বনগী রায়াম অতু পুরোকপুনা অশিংবা শাবদনা মামা ডাউথবমগনি। ওইগদবা থনক্তি তৌদনা কাওথথাংগী রাক্ষমদা মথৌ ওইহনা লৈরবনি।

দামুদর : করম্না অদোমদা চঙশ্রিবনো ? পাবুংনা অঙাং অসি মীং থিনা কনট্রোল তৌদবনা ওইগনি।

ফুলোবাবু : নো নো ! ঐ মপা অমগী ড্যুটি চপ চানা তৌরিবনি। ডিস থোই ইজ রিয়েল্লি এ রেবেল। মসি পক্কা নোন কনফোর্মিষ্টনি। পুরা রিয়েকশন্নরিনি ঐঙোন্দকা ফুরক লাকলকত্রা কিত্নুনা ঐ রা ঙাঙত্রবনি। হৌজিক কালগী অঙাংশিংসি অসি ঙাক্তনি, অহল লমন্না হায়বকা ইনবা অমৎত্তা শাওত্রবনি। মতু ওইরবদবু লৈবাক অসিনা করিগী চাওখৎলোই ?

দামুদর : প্রোগ্রেশিভ ঠিঙ্কিংদি তমগে হায়ত্রদনা, বনাগী ইনফ্লু-য়েনশনা তৌরিবনো, অঙাং অসি শোয়দনা মাঙবা তারে মসি পাবুংগা ইমাগগী দোষ ওইগনি।

ফুলোবাবু : নো নো নমাগীদি থঙদে, ঐ অমা ঐগী তৌফম থোবপা তৌই। নমানা থরা কা হেন্না লুনা তৌবনি অদুনা নৱাংহনবা ওইবিগনি। ঐদি মুমিং চুপ্পা মাবু চোক তৌদুনতা লৈরিবনি। এদ্ভি সনডে এরাশিনীদা মোহনগী একটিভিটিগী মরমদা রিপোর্ট পীথ হাংদুনা শিন্নরিবনি। নমাগা ঙাঙনৌ, নমা অসিনা ভাল ইতা তাদনা, অঙাং অসিনা চৎপা থোৎপা য়েংশিন্দদুনা তৌরিবনি। নমাদসু কয়ারক হন্না লেকচর তৌবননি। অদুবু নঙগী ননাও অসি লাক্লবা ঙমদে। হৌজিক্তি নঙ লৈরক্লবনিনা নংগী ড্যুটি ওইফম থোকলে।

দামুদর : মানা কা পঙহেন হেনবদি মাত্রদো ? অফটর ওল মা অঙাংনি, স্টীল টাইম ! মতম লৈরি। অচুম্বা পোৎশক করিনো হায়বদু থঙদদুনা তৌরিবনি, মদু মশক শেংনা তাকলগা মাগী ঠিঙ্কিং অদু স্পিরিয়েন্ট তৌহনগদবনি।

একাশিনী : কনা কনানো খুৎপো ?

মুংশিম্না : হোরেন লাক্লগা হংনৌ, ইবুংঙো জিতেন্দ্রগী মচনমুপী-থোয়না থৌবু ওইবনি, অতুক কুপ্পদি ঐ হংলকত্রে।

একাশিনী : ইবুংঙো দামুদরনবু খারকত্রা ? ইরাং তৌই হায়ত্না চৈরক্কদবা মাখি।

ফুলোবাবু : উম : দামুদরগা ঙাঙেননবা তৌ। ঐগী থবক কৈস্মু লৈতে অতুদা।

একাশিনী : ইবুংঙোনা য়াদ্রবদি খুড়াইবুংঙো, পৈশাস্মু পীত্রবদি করম তৌগনি ?

ফুলোবাবু : ঐ থঙদে, নখোয় নখোয়না থোকপা হায়বত্থুনি, নখোয়নগা লাওজবা পাম্বা অতুগা য়ান য়াননবা ঙাঙনৌ, পৈশাতু মানা পীত্রগা নমাশিজদগী লৌ।

মুংশিম্না : করিনো ঐঙোন্দা পৈশা লৈবদৌনা হায়রিবসিবু ? মাগী পাবুংস্মু পীবা য়াই কৈদৌবাগে ?

ফুলোবাবু : এঃ নখোয কাং শান্নবগীদমক ঐঙোন্দগী করিগী পৈশানো, ঐগী পৈশা লৈতে। করিগীনো নঙনা কনথোকলমগে হায়বদি হোংনত্রদনা নঙনা হেন্না ইরাঙ পুরকইবা অসিবো ? লাইরিক লাইশু হৈজব খুদংগী অঙাং মুবী-শিংনা শান্নবা অতুব নমো হসিবু করম্না মরক অহূদা য়াঙহনগদৌরিবনো ? নঙনা হেন্না চরাঙনগ্রেনে ! ঐগীদি হায়রিবা অসিনি।

মুংশিম্না : ইমাই পেম্মা করিনো মখোয় পাবুংগী রা অসিবু, ইমৌ অসিবু ময়াম মমাঙদা উৎত্রবদি কৈদৌনি ? কাং শান্নবা হায়বা অসি ইপা ইপু আ মবেন শীজ লৈশারিঙৈদগী লৈবক্লনা কুস্মি অসিবু, মাগী পাবুংনা থিংবিগে হায়রিব্র ?

কুলোবাবু : নঙনা ঐঙ্গোন্দা অমক তাইম থৌরবরা? মখোয় নখোয়
না থোকপা থৌ। (চংমা চংনা) আঃ থংনৈ চৌনৈ
হায়বা ঐঙ্গোন্দা তাহনগন। একাশিনী। দামুদর বৌরুচো,
অতুগা নংগী মমাম যানবা তাঙ্গনরো। (থোকখি)

কুংশিম্না : হেঃ কবিয় [illegible] রাকম [illegible]সিদা [illegible] শংথবিবা
হৌরে। চংলু 'একাশিনী' দামুদর কৌক।

(একাশিনী থোকখি)

অকমা : ইমাশী! পাবুংগী শাসিদি যাংনক্ত হায়রবনি। [illegible]নক যাওক-
বগা শাটুনা থোকলগনে?

কুংশিম্না : শাউগে শাটজবা হায়বরুনি, মখোয় নপাখোইগী মত
অসি ইমা [illegible]স্তোকন পামজক্রে। হাবয় চোংবা, বাং
শংন্নবা, লৈবায় চাক চানবগী রা অসি মহৌশাদগী
ইষা যাদবনি, অতু[illegible] ভাঙলিবনি।

(দামুদর, একাশিনী চংলকই)

দামুদর : করি হায়াগে ইম?

কুংশিম্না : হায়ং [illegible] পোনচাগদা লৈনাংগী মৌ লৈশাই মচাম
কাং [illegible] [illegible] [illegible] কুপী [illegible] যাংনদবা যাদে হায়বি,
অতুগী মমা [illegible] [illegible] [illegible]. [illegible]বন মখোয়
অশংশি মচাম লাকনি [illegible] খর হায়রি হায়বনি,
অতু [illegible] পীতিনবা থৌ হায়বনি। একাশিনী! চংলো চাক
থো[illegible]। (কুংশিম্না, একাশিনী থোকখি)

দামুদর : করম [illegible] পোপোক্তলো. কন [illegible] ছৌবনই-
বনো? [illegible] করি হায়খিবা?

অকমা : ঐ [illegible]। [illegible] মচাম পৈশা থাম্বা লাক্কনি,
লুপা [illegible] পীয়ু।

অহুনগুবা ভঁংপা

(মথংগী সুম্মিদাং পুং ৮, মোহনগী কা। পঙনান নান্দবা কানি। মোহন অমদি ভীমো ফমদুনা ব্লারী শারম্মী। মোহন্না উপুদগী হুইস্কী লিকলী অমা পুথোক্লকই, টেবল মথক্তা থম্মী। গলাস অনি, ঈশিং জগ অম।)

মোহন : ভা ভীমে ' ইচেদগী বোবা লৌক্লরোদবা।

ভীমো : লৌক্লবগে, অদু খজিক্লংদি হৈবীয়ুদনা।

মোহন : হায়া থক্লগা চংলগে হায়বা? চাকথুম চঙবদা ব্লা থোকনিকো। ঐঙোন্দা হংলব্রা ঐদি খঙদে, ঐনা পীথকলকপা নত্তে হায়রগদৌবনি।

ভীমো : এ! থোক্লরোই, মনম খঙহন্দ্রগা লোয়রেদনা।
(মোহন্না হুইস্কী হৈরগা পী, ভীমোনা মমিং উইশিল্লগা থকচিল্লি, খর শাংনা কামথোক্লগা মপান থোকখি। মোহন তান থাদুনা ঈশে ভংঙি। হুইস্কী হৈদুনা তপ্না থকই। ভীমোনা প্লেট অমদা বোরা খরা হাপ্পুনা পুরকই)

ভীমো : খরা হান্না পুরক্লে, লোইনমক হৌবা লোইরমদ্রি, ঙহাক লৈরগা অমুক লৌক্লগে।

মোহন : উম, ফরে। কদায় অমত্তা চাগে (বোরা লৌদুনা চায়) চাকশঙদা ক্নব। কনা লৈহৌই?

ভীমো : নতৈমগা নচে একাশিনীগা।

মোহন : কবি য়েঙ্গাং থোক্লহৌই?

ভীমো . এ! য়েঙ্গাংদি ঐসু হংজকত্রে, ঙা ঙায়া ঙাঙনীংদহুনা
তুমিন্না লেপলুবনি।

মোহন : উম, ভাবতি তারিদনা।   (অমুক হৈরগা পী)

মুংশিন্না : (মপান্দগী) মুপামচা তোম্বা! মুপামচা তোম্বা লৈব্রা?
মোহনগা ভীমোগা উপু হাংদোক্লুনা গলাস অমদি
লিক্কি লোৎশিল্লি)

(চঙলক্লুনা) নঙ কয়াম কুইরে হল্লকপা?

মোহন : ঙহাক ঙহুরে কার হায়গে?

মুংশিন্না : নঙ ঙা অমা ঙাঙলসি। ঙা ভাব তানা ঙাঙনদবা য়াদ্রে!

মোহন : করি ঙানো ইমা, মুতিগী ঙা ঙাঙনরি, হেন্না ভাব তাগদবহ্
করি ঙানো?

মুংশিন্না : নত্তে, নঙনা তৌরিবসিবু করিনো? মুমিৎ খুদিংগী
য়ুমগা মখাদা ঙহাক্তা লৈতবা, অমনা হায় তাদা অমনা
হায় তাদ।—নঙনা তৌনিংবতা তৌবা। নয়াম্বনা নপাগনা
ঐঙোন্দা ঙাঙলিবা লোইরে, ঐ তাহৈবা ঙমদ্রে।

মোহন : পাবুংগা তামোগনা করি হায়রিবা?

মুংশিন্না : হায়বা ইন্দবা অঙাং হায়সিঙায়দনা। অদুগী মথক্তা
ইমুং অসিদা খোইদৌ শাউগৎনদ্রিবা অসি নঙনা খোক-
হনবনি সিনি।

মোহন : ঐনা করি তৌরদনা, কনাদসু কৈস্ু হায়জদবা, ঐনা
থোকপা লৈজবা ঐনা করম্না খোয়দৌ শাউগৎহল্লিবা?

মুংশিন্না : খংদে, নঙবু শুকন্না য়াদে, নঙনা তৌরিবসি লাল্লি সিনি।
নত্তে, নঙবু করি খবক তৌরিবগে, নঙনা করিগুম্বা অমা
তৌদনদি নপাগা নয়াম্বগনা কৈস্ু হায়কম থোক্তে।

মোহন : কল্লিনোনে ? ঐবু করি থবক তৌরবগে ? ঐহাক কোলেজ তমলি, লাইব্রিক লাইব্রে তৌবি—সিদগী হেনবা ঐগী করি থবক লৈ ?

সুংশিস্ন : শেংনা হায়মু তোম্বা—নঙ ঐঙোন্দা কাতু শারন ঙাঙগমু। নঙবু খিবক্লিবা মীশিংসি কয়া য়াম্মে ঐগা থেংনরিবা। কনানো অমত্তু নহান মাটিং অমা তৌগনি হায়রুনা চে অমা পীানি হায়রুনা খিরম্মী। ঙবাংনা মশম থাকপা মকোই চোম্বা লুপা অনম্ু খিরম্মী। মচুগা নঙগা তোম্বনা চৎামম্নবা মায়ামা থেংনবে, এঙোন্দা পাউ লাকই। মত্তে, নঙন্দু সঙ্গাকা থকখ্রা ঙাঁখিম ?

মোহন : কদায়দগী সঙ্গানোনে ? বরিনে। ঐবু খিবকলিবা মী অঙ্গাদ ওঝা তোম্বানিনে, মা ঙস্থেক্রা থঙ হৈজ্রবা ঙাব ভাঙ্গ্রবা মীনি। অচুগা চৎমিন্নবগা করি তৌরবা ?

সুংশিস্না : থঙদে থঙদে, থঙদরুনা নঙঙোন্দা করি তৌবগে হায়না হংলিবসিনি। ঙরাং নম্বাপগা থেংনরুনা নয়াম্বনা খল্লা চৈথ্রবনি লুপা অচুদা।

মোহন : করিগী ? করি হায়না চৈথ্রবা ? করিনা তামোবু ঙাঙত্রা ? য়ুমদা লাকপা মীবু চে হায়বসিবু তৌনবা থবকলা ? করি থোকই হায়না তৌরিবনো ? শোয়দনা ইমুং অসি লৈবাকমচা তাদে হায়রম্ব। তারে, ঐ শিরেদনাসিদি ! ইশ ঙস্থোকনা ইকাইখ্রেদা !

সুংশিস্না : অা নঙবু ঙাঙহল্লে হায়রয়ে নঙগী ওঝা অচুনা।

মোহন : তামো লৈত্রা ?

সুংশিস্ন : লৈতে। হল্লাক্ল। করি তৌগেগে নচান ননাও অমুক—থৎনগেরা ?

মোহন : উম, খংনগে। ঐ খংনরোই খংনয়োই হায়রুনা খাঙবনি। করিগীনো মানা চুম্নগী মী অমবু ইকায়বা পীরিবা ? ঐবু চঙহাং হাংপা মীছুগী মমাঙদা। ঐবু অঙাংনি শোয়দনা হায়রম্বা তারে। কদায়দা তমলক্লিবা লমচৎ ব্যবহারনো ? মানা ব্যারিষ্টর তম্বা লণ্ডণ চৎলুরপা মী অমুক য়ম্না উশিৎত্রিবসি করিগীনো ?

মুংশিম্না : নঙনিনে মী উশিৎত্রিবা, নয়াম্বা নত্তে। নঙনা মী খানদ-ছনা তৌরিবা নত্রা ?

মোহন : (শাউনা) ঐনা মখোয়বু কেদৌবগী খানদৌরিবা ? ঐনা তৌরিবসি মখোয় খঙই হায়ব্রা ? নখোয়না খঙবা ঙম্বা নত্তেনে।

মুংশিম্না : অদুনি ঐনা হংলিবসে, করিনো নঙনা তৌরিবা ?

মোহন : করিনো ইমানা ঐঙোন্দা অমুক উকিল শারিবা ? কৈদৌ-গেগে—খঙম্মু খঙলরোইদবদা ?

মুংশিম্না : ঙায়খো, নয়াম্বদি লায়রি, ঐগা খংনখিসি। নঙদরা খঙবা হৈবসিবু, নঙ নতোমতরা শিংলিবশিবু ? অদুদানি নঙনা চৈ চাদৌরিবসে।

মোহন : হোয় ঐনি শিংলিবসে, ঐ ইতোমতনি। চৎলো ইমা ! ঐ তানীংদরে বোরা ঙহাক্তা চাগে।

মুংশিম্না : করিগীনো নঙনা মী ইথৌ থৌওইদ্রিবা ? তোনে নঙনা তৌনীংবতা, কৈগনু য়ুমমখাদা ঙহাক্তা। গঙ্গা খকেরা, য়ু খকেরা, (ভীমো মমিৎ লাওখোক্লগা মোহনদা য়েংঙি) জুরার শাম্লগেরা ! তৌনীংবতা তো ! অদু নপাগা নয়াম্বগনা ঐঙোন্দদি ঙাঙহনগনু।

মোহন : নত্তে, পাবুংগা তামোগনা করি করম হায়খগে, মতুহম শেংনা হায়য়ু ইমা।

দামুদর : নঙনা য়াওগনি হায়রগা হেক্তু য়ারত্র ? ঐনা য়াদ্রবদি ?

অকনা : য়াদবগী রাফমনা য়াদবগী রাফমনি, শান্নবা য়াংবনা শান্নবা য়াওবনি, ঐনা খনবদা উহৌ বিজন য়াখিল্লি খল্লি।

দামুদর : করম্বা বিজনগী মতুং ইম্না ঐনা য়াফম থোকলিবা ? মেডর্ন সিভিলিজেশন অসিদা চাম্নদবা রাফমগী খিজন পুথোক-নিঙাই ঐঙোন্দা লৈতে।

অকনা : মসি লৈকায়গী-নিঙোল মোশিংগী ইন্ট.রষ্ট. যেংবিষু, ঐসু লৈকায় অসিগী মো অমনি, অতুনা রাফম কসি যোৎক-লিবনি।

দামুদর : খুন্নুংগী মীশিংগী ইন্টরেষ্ট্গা ঐনা পাম্বা শকক লৈতে, নঙ কাং শান্নবা যাদে। নঙনা কাং শান্নবা য়াংবা অসি ঐগী প্রেষ্টিজ মাঙবা ওইগনি।

অকনা : মসিদা অদোমগী প্রেষ্টিজ মাঙবগী রাফম থাংদেদা। ঐনা কাং শান্নবা য়াংবা অসিনা অদোমগী প্রেষ্টিজ হেনগৎকনি খল্লি।

দামুদর : মত্ত অবানবা কনশেপশন্নি ঐহাক ইমুং অসিগী নুপীনা ইরাঙ হৌবা পামদে—স্পেসিয়েল্লি য়ু। কাং শান্নবা হায়বা অসি থায়নগী খুন্নুংগী রানি, আইডিয়া অসিদা করিগুম্বা এপ্রিশিয়েশন অমত্তা লৈতে। এট দি সেম টাইম, কাং শান্নবা থৌগৎনবা পৈশা ঐগী লৈতে।

অকনা : ঐহাক কাং শান্নবা অসি যাংকপে হায়না খল্লি। ইমা-শীনসু য়াও হায়। রাফম অসিসু ইমাশীনা হৌদোকলক-পনি, ঐনা হৌদোকলুবসু নত্তে। অতুগী মথক্তা ইমুং অসিবু লৈকায়না য়ামনা ব্যবহার তৌবান, মসিদা ইমুং

অসিনা থওইবিত্রবদি ইমুং অসিগী অমাত্ত অতোং অদো অদোমা খঙ্ববিয়ু ।

দামুদর : নঙগী অরগুমেন্ট অদু নঙনা কাং শান্নবীংবদা ঐনা য়াননবা পুথোকপগী মওংনি। কাং শান্নবা য়াওবা য়াওদবদা নঙনা হায়রিবা অদু এরাইজ তৌদে।

মুংশিস্না : (চঙলক্লুনা) করি হায়নবে মুপীমচা? পৈশা কয়া পীগদৌরি?

দামুদর : কাং শান্নবা য়াওবগী রাফমসি ইমা, ঐহাক পামদে। কান্নদবদা ঐবু রাখল চোইথোকহল্লে। য়াওরমোই হায়দোকপ্রে।।

মুংশিস্না : করি রানোনে, মী ময়াম লৈকায়গী থবকপু ইরায় লায়না হেক ককপা য়াত্রা।

দামুদর : লৈকায়নি হায়দুনা চাওথংপা মী অমকাও লৈত্রিবসি খল্লুদ্রবসু য়ারবনি, অদুক লুবা রাফম নত্তে।

মুংশিস্না : নঙগী রাহু শাত্রং অমা চংলে মুপামচা। ঐ নখোয়গী য়াবা য়াদবা খঙদে, হয়েং মুপীমচা কাং শান্নবা চংকদবনি। চংলো মুপীমচা! নচেনা চাক থোংবদু য়েঙ্গাংকা খবা শেম-নবা তৌরুচো, ইমাসু ননে তোম্বীস্নাখোয়দা অমুক্তা চংলুথিগে। মুপামচা! পৈশা খরা পীনবা তৌ।

(অকনা, মুংশিস্না থোকখি। দামুদর থোকখিবা অদুদা মুন্না য়েংদুনা লৈতোই)

মুংশিম্না : হায়বা হায়ববু হাইনিংঙাই লৈত্রে। হয়েং থোকচোমদা লৈকায়গী মী মৌ লৈশাবী ময়াম কাং শান্নগদবা অদুদা নতৈমম্নু য়াওগদবা অদুগী পৈশা থরা পীয়ু হায়ববু নঙনা ইনশিন্নমগনি হায়রে।

মোহন : করি ? নখোয় লৈকায় মৌ লৈশাবী কাং শান্নবদা ইতৈমনা য়াওববু ঐনা ইনশিনবা ? ঐদি হৌজিক তাবা অসি মঙায়রি, ঐগী করি ইথৌ লৈহুনা নখোয়গী থবক্তা য়া ঙাওফম থোকই ? ঐখোয় তামোসি ঙাওরব্রা ?

মুংশিম্না : আ নতৈমদা নয়াম্বনা মখোয়গী কলব হায়বহুদা চৎসি হায়বা য়াদে হায়য়ে, অদুম্নু নঙনা নতৈমদা ইনশিন্দুনা তৌরিবনি হায়রি।

মোহন : আ নোরে'ক হেক তাগে ঐখোয় তামোসি থৎনদবা য়াদ্রে। ঐ শোয়দনা থৎনবা তারে। হুম, ইতৈমনা মঙোন্দগী হেন্না শিংবা হেল্লি হায়বসিদি মানা থঙদ্রিনে। ইমা, শৈত্য, নঙগী নচানুপা অহল অসি ওস্থোকনা পঙব্রেদা ! চাওথৎ-থিদ্রেদা ! ইকায়দা ইয়াম্বনিকা হায়জবোইদা ইতৈমগা মবৈ য়েংনবদা মানা ঙমদ্রগা ঐঙোন্দা তাইনরিবা-ফৈ-কৈ !

মুংশিম্ন : তোপা ! নত্রে, করি মরমদগী য়াকম মযামসি থোরকলিবনো? মহুনি ইমানা থঙনীংলিবসি। য়ুম অসি শান্তি লৈত্রে, ইমা ইংনা লৈবা পাম্মা।

মোহন : ইংলরোই, ইংলরোই। ঐঙোন্দা মৈ চুবা হৌরবনিনা মৈ হৌরগনি। ঐদি হেক্তা থাগদবনি। হন্নবা অসিগা সাম্বের অসিগা শোয়দ্রবনি।

মুংশিম্না : নত্তে, করিগীনো নঙনা নপাগা নয়াম্বগবু শাউরিবা অদুগা নপাগা নায়াম্বগনা নঙবু চৈরিবা অসিবু ?

মরম লৈতনা ওইবা য়াবা রাকম নত্তে।

মোহন : সে সে! ঐসে ইমানা পোকপা মোহন্নিদনা? অদু ঐসে ইমানা পোকপা নত্তে আ যেম বিডোন অমনা পোকপনি হায়য় হায়য়ে, অদুনা ঐনা নত্তে হায়রিবা অদুগী-দমক শাউরিবা।

সুশিল্পা : করি রাগনানে অদুরু?

মোহন : মখোয়গী মগৌ কম্মু হায়য়ে সাহেব শাউ অংগ্রেজী লোম্লু খুৎনা চাক চাগন্দ. চামচ কাটানা চাও হায়রে। ঐনা পায়দে যদি ইমানা পোকপদগী হৈনরকপা মওং অদুদা শুম লৈজগে হায়বা—অদুনি ভাব ত্তারত্রা ইমা? ঐনা তৌরিবা হায়বর সিনি। ইমানা পোকপদগী ওইরিবা শকফম অসি পইজবা, খঞ্জবক লিবা রাখল খনজবা—অদুনি। নৈ। কোয়চং চংলিবসি মদু থিবনি। অদুদা [illegible] অসিগী মখোয়গী মোঙ মায়দে হায়দুনা [illegible], খড়জেদনা ওসিদগী [illegible] রা লৈ[illegible]।

সুশিল্পা : [illegible] খল্লি নখোয়গী রাসি কুং ইবোই-দৌরিবা, ভাব মেন অমনা [illegible]।

(হৌগ [illegible]) [illegible] নয়াম্ন [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible]

মোহন : [illegible] [illegible]। [illegible] খং[illegible] ইম চংলো!
([illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] সিনা পোয়দা শাওগংলোইদবসিবু করিনো? [illegible] [illegible] হায়দুনা [illegible] শারিনো [illegible] হৌজিন [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] অ[illegible] [illegible] লৌবদা এল [illegible] [illegible] কা [illegible]

ইঙাও ঙাঙডনা। অহুনবু গঙ্গা থক্তবা হৌনবরা ?
মাগা নঙগা তিন্নারিবসি গঙ্গা থকমিন্নবা ওইরমগনি।
নয়াম্বনা শাউবা হায়বদু লোইরবনি।

মোহন : নংহে ইচে ! ঙরাং ঙামোনা ওঝাতোম্বদা চৈথি হায়বসি চুমব্রা ?

একাশিনী : হোয় চুম্মী। ঐগী ইনাও নুপাগা তিন্নবিগনু হায়রুনা হায়গ্রবনি।

মোহন : তিন্নরগা কৈদৌরবা ?

একাশিনী : নথোয়গী মোত অসি চাওখৎপা পামদবা খুনুংগী য়াথংনি হায়রে। নঙ শুমলিবশিং অহু নঙগী ওঝাহুদগীনি সিনিদনা !

মোহন : ঐনা কৈদৌরব। ?

একাশিনী : পাবুংগা নঙগা য়ানশ্রবা অসি অহুদগীনি। অহুগীসু মথক্তা নতেংমগা নথোয় তামোগা থংনরিবা সিস্থ অহুগী মরমদগীনি সিনি। নঙনা নতৈমদা তাকশিন্দুনা তৌরিবনি হায়নৈ।

মোহন : হাঃ হাঃ হাঃ পেল্লে হায় ! ঐনা তাকতুনা তৌরিবা ! য়াহ য়াহ ! ঐখোয় হতৈমদা ?

একাশিনী : হধেং ঐখোয় কাং শান্নগদৌরিবে। ঙরাং অধুক নয়াম্বদা পৈশা পীয়ু হায়বদু কাং শান্নবা থৌগৎনবা পৈশা লৈতে হায়রে। নুংথিল অমুক হায়বদসু পীদ্রে, নঙনা ইনশিনবা য়াওরমগনি হায়।

মোহন : (নোকই) ইচে ! নঙদি করি হায়রিবা ? নঙগী মোংতি করিনো ?

একাশিনী : করিনো করি হায়রিবনো হায়সিবো ? নঙ কাতু কাবল

তৌগদ্রু সিনিদ্দনা।

মোহন : নৎত্রে. ঐ নখোয়বু ইনশিনখরনে ?

একাশিনী : ইনশিনদে ইনশিনদে অদুগী রাদি।

মোহন : পাবুংগা তামোগদা অহু হাৱবা ভমগদরা ?

একাশিনী : করি ভমদনি।

মোহন : নঙমু ঐগী মীচঙ চঙডি হায়রুনা চৈৱবদি নঙ কিরোইরা ?

একাশিনী : মীচঙগী রা নৎতে, অশেংবা হায়বনিদা।

মোহন : ও ! কিবদি কিবোইকো !

একাশিনী : কিদ্রে ইবুংঙো কিদ্রে, ঐখোয় নখোয়গী রাসি ভাব তাদে, অচুম অরানবা থিজবা ভম্বপোৎ নৎতে। অদুগা ঐ নঙবুদি কয়া থাজদ্রে। নিশা চাবা নঙনা অচুম্বা তৌগনি হায়বসি চিংননীংঙায়নি। নঙনা থোকপা তৌরিবসে ঐ ভাব তারে।

মোহন : করি ভাব তারবা ?

একাশিনী : য়ু থকপা মীনবু অচুম্বা তৌবা হৌনবরা ? হৌনৈ হৌনদে খঙলরোইদবনি। অদুননি নঙনা পাবুংগা নম্নাম্বগা ওনশিন ওনশিন খৎনরিবদো ! মদো লমচৎ নাইদবা কৌই।

মোহন : ইচে, পাবুংগা তামোগগী রদি ভাঙহুনা কান্নদে। ঐ মখোয়বু শুকয়া য়াদে। পুন্সি চুপ্পা মারোইদৌরিবনি !

একাশিনী : অদুনি ব্যবহার খঙদবা হায়রিবসি। নঙনা হেন্না শিংডি হায়বসিবু নঙনা হায়রগা হেক্তা লৌবা রাত্রা ? য়ু থক্তুনা ভাওশিন্নহুনা লৈরগা নঙনা করম্না হেন্না শিংকম থোকই ? নিশাগী মী উশিংতহুনা ভাঙবা ওইরিনি। অদুনা অসিনা লৈপাক অমগী বিচারপতি ওইরম্লীবা, নম্নাম্বা অসিনা অা য়ৌনা লাইরিক লাইগু তমলুরবা অসিবু নঙগী সিদা গঞ্জা থকপা, মশম শাংবা

খুজীন ককতবা চমোংনবা থন্না তিম্নরগা মথোয়গী লৌশিংহুনা নয়াম্বথোয়দগী হেনগানি হায়বসি ঐ থাজবা ঙমদ্রোই।

মোহন : ইচে! নঙস্মু অশিংবা শাব্রেদনা? চৎলো চৎলো অা পাবুংথোয়গী মনাক্তা! ঙসি ঐ শাউরক্কুনা নশম অহু ফোয়নিকো!

একাশিনী : ফোয়রে। লাউনে! ঙাউনিংবা পংঙাও ঙাউ শকনীংবা পঙশক শক নও মঙাথরে হায়! নঙগা ঙাওনবা ঙম্বসি কনানো?

মোহন : ঊন কনাস্মু লেরোহ। ঐগা ঙাওনবা লোয়না তনগনি

একাশিনি : ঐগা ঙাউনানে, ঐদোন্দা নঙন করি তৌবা ঙমগনি।

মোহন : নথুং অহু লৈথেক্লগা লোইবেদনা। ব ঙাওনবা য়াদবনা শম ফোয়বা, থুং লৈথেকপা! ঙাওনবা য়াবনা ঙাংনবা, থংলেদনা?

একাশিনি : ইকায়গে হায়বদি হায়দ্রদনা ঐঙোন্দা অমুক থমকা তৌরনে। মুংশরে হায় হবুংঙো মুংশিরৈ! ঙসিদগী হৌহুনা ঐঙোন্দা বোরা হো হেক হায়বদা খঙগদবনি ঐনা কবি তৌবগে হায়বা। ঙাসদগী হেল্লরোইদবনি।

(শাওনা থোকখি)

(মোহন রাথল থল্লি। ভাসো চঙলকই, মোহনদা মুন্না য়েংঙি। মোহন্না মোনেন তৌদুনা য়ু হৈবী, ভীমো মামিং উইশিন্দুনা থকচিল্লি।

অহুমশুবা অঙ্ক

অহানবা উৎপা

(ফুংলোবাবুগী ড্রোয়িং রুম. নুমিদাং পুং ৬। স্যুট শেত্তুনা দামুদর ফম্মী, চা থক্কই, বিসকিট চিক্কুনা চায়। খবর ফাকই, টেবল ল্যেম্প ময়াদা। রেডিওদা রেডিও শীলোনগী ইংলিশ ম্যুজিক খোংঙি। ইশৈ লোইরমদাইদা ভীমো চঙ্ককই।)

ভীমো : ইবুংঙো ! ইয়াম্ববু কৌবিবা করি তাকপিগদবা লৈবগে ?

দামুদর : ত্তা ভীমো ফমউ। (হৌগত্তুনা রেডিও মুথংলি) রা থরা হংগে তৌবনি। আ মথোয় মতৈমা কাং শায়বদগী হল্লক্লিব্রা ?

ভীমো : হল্লক্লি মায়ে ইবুংঙো, লাক্কি লাকলগনি থল্লি।

দামুদর : [ঘরী য়েংঙি] পুং ৬ ॥ তাগদোরে, কয়াম কুইনা শায়বা কাংনো হৌজিকফাওবা হল্লক্লিবা অসিবু ? মোহন লৈব্রা ?

ঙাইশিনবদি অৱানবনি-সিগী ৱাসি।

(চঙশিন্দুনা উপু অমুক হাংদোক্তুনা মসু লৌথোক্তুনা অমুক থকপা হৌমিন্নৈ; একাশিনী বোৱা পুন্থনা চঙলকই, লোৎপা নংহৌদ্রে, ভীমোনা মতুংদা মাল পাৱবা খুং লোৎলি।)

একাশিনী : উম! মনম অসিদি (নাত্তোন খুম্মি)
নমথিন্নেদা, সিগী ওইরে বোৱা হৌ হৌ হায়রিবসে! ঐদি য়ামনা মৱম ওকলে হায়কৰি। তা ভীমো! নঙসু থকপ্রা?

ভীমো : এঃ কদায়দগী ইবেম্মা কদায়দগী! আ ইবুংঙোগা মারী শারম্বনি। (হৌগৎতুনা হৌজিক্কা বোবা লৌবা লাকে ভৌরম্বনি। (থোঙ লোমদা চংলি)

একাশিনী : তা ভীমো নঙনা থামদ্রবুনা কবিগী হৌগৎলিবনো? অফবা থবক্কা সিবু?

ভীমো : এঃ ঐনা থাম্বা, কৈদগী ইবেম্মা! ঐনা হায়নবু য়াম্ব-বদি কৈদৌনা থকলুগদগে। ভাঙনৌ ভাঙনৌ নচীন লৌপ্রা, ইবুং কোম্থোং লোনশিল্লুগে।

(ফিম্মুংদ গ্লাস লোৎশিন্দুনা থোকখি)

একাশিনী : বোৱা অসি পুথ্রগে। ঐ থওঙে। নহান মথৈ ঐনা খুবাইবুংঙোদা ঙন্না ঙন্না হল্লকই মৱম ওকলে হায়করি-বসিদি খুংগক অমনিদনা।

মোহন : ইচে ৱা য়ামনা ভাঙনু।

একাশিনী : ভঙ! থৌনা ৱবা শাউ। ইপত্রা মঙায়রে!

মোহন : (মত্তোমত্তা) ঙংথোকপা লাইবক হায়বদু ওইরে! (একাশিনীদা) করি ভৌরবা?

একাশিনী : করিনো থকলিবদো ?

মোহন : হুইস্কি ! য়ু নংগতে, য়ু মনমপা মায়বনি। কদায় বোরাহ্ চাগে থনম্মু।

একাশিনী : লেম্মে হায় ! করিগীনো ইত্তাও ভাওশিন্নরিব য়ুবো, মনম নম্বা পোৎপু য়ু নংত্তে হায়বা য়াব্রা ? ঐ থওভি, নও থকলিন্নহ্ য়ুনি।

মোহন : (তপন) ইচে ! মসি কংতবা য়ু নংত্তে।

একাশিনী : করিনো য়ুবু অকবা কংতবা হায়বা লৈব্রা ? য়ু থকপা কৈ হায়বসি ঐ তাদে।

মোহন : উহু ঐহোন্দগী তাগনি। ঐনা থকলিবসি অফবনি ওহাক্তা পোথাগে তৌবনি। শাউগন্নু ইচে, কদায় ! বোরাহ্ পীরো অতুগা ঐহাক চাক চারগদবনি। ওসি অয়ুক্তগী চৎথোকলুবনি, ঐ ওহাক্তা পোশ্বাগে।

একাশিনী : তৌশিন্নগন্নু, অফা শাশিন্নরবরা য়ু থকখৈ থকচিললগা ?

মোহন : ইচে ! য়ু থকপা অসি অতুক য়ামনা কংতবা নংত্তে। শীজিন্নবগী মশুং মতুং ইললি। কা চেন্নবা থক্তে ঐগীসিদি, চুমনা চাক তুম্নবা চাক লান্নবা ঈ ফাংনবা শীজিন্নবা পোৎলি। অদো সে-করে মতুং মনাও থাপবোই, কদায় বোরাহ্ পীরো অতুগা চাক থিরংরো।

একাশিনী : (শাউনা থমতুন) ঐ চাক্তা অমৎতা থিররোই। চাক পীজররোই ! নও হৌনৈ হৌনদে থওদে, নওনা থোকপা তৌই, য়ুদা নংত্তে নওনা থকলিবা, নও গঞ্জাকান্নু থকপা ফাংনি ঐ ভাব তারে। ওরাং নওগী ওজা তোম্বা হায়বহ্ সাকলম্মী, মকোই মরাং ইচোম চোম্মদনা, মমিৎকা

ভীমো : ইবুঙোসি চাক চাবা ওয়োকপদগী হৌরক্তি। পুং ৮ মহুন্না ইবা লৈরমি। কলেজনা চৎকনি অতুগা কদায়দনো প্রিটিং অমসু চৎকনি হায়রম্মী।

দামুদর : মানা তৌরিবসি করিনো খঙ্গা ভীমো ?

ভীমো : ইবুঙো ইয়াম্নদি খঙজদে। মরাম মরুপ মপাং লৈবা লাইবক লাইগুম তৌবা নত্তবা অতৈ থোইদোকপরি খঙজদে। খবক্তি চিংলি চায়ক্লা তৌরবা ঐঙোন্দা তম্মী।

দামুদর : মাগী মরুপ মপাংশিংসি কনা কনা অতোপ্পা লৈরি খঙব্রা ?

ভীমো : এঃ ইবুংঙো তোম্বগী মরুপ মপাংশিং অসিদি .য়ামগ্রেদা মথক খুদিংমক্কী মীওই ওইরক্কনি, মৈতৈ পণ্ডিত কয়াসু য়াওরি।

দামুদর : কবিনো মৈতৈ পণ্ডিত ওয়াবসি কয়ব। জাংনো ?

ভীমো : ঐ খায়গী খাযংগী ইপা ইপু পণ্ডিতশিংনি। ইবস্বা লাইবক লাইগু থিজিনবা. মৈতৈ ধর্মগী য়াথী য়াতাই তৌবা, থাযনগী ইপা ইপুনা চৎনরম্বা শাজং নিয়ম নিং কয়া খঙব। মীওই জংনি ইবুংঙো।

দামুদর : থায়ংগী লাইবিকশিং অসু মাগীসু লৈব্রা ?

ভীমো : অয়াম যাম্না লৈ। মমল যামনা পী ওয়ায়না তম্মী

দামুদর : উম ! মাদি পাবা লৈব্র ?

ভীমো : এঃ য়ামনা হৈগ্রবা জাংনি। খঙদা খঙগদবা মহৈ গীমম্বা তৌরে।

দামুদর : (মখিং লাওথোকই) উম মহৈমসু হৈগোইয়েকো।

ভীমো : এঃ ইবেম্মসু য়ামনা হৈমাগে ! থায়নগী ওইবা মীওই, ধর্ম, লৈঙাকলোন, চৎনবীগী মরমদা ইবুংঙো তোম্বগা ইবেম্মপা য়াবা শাবদি বাম্নন মহাভারতকুম্না সুঙাই।

দামুদর : করে তা ভীমো ! জোবেন মোহন লাকখ্রা ঐগা উন-
গদবনি হায়না খর তম্মু । মহাক্কা রা খরা ভাউরগদবা নৈ ।

ভীমো : ফগনি ইবুংঙো ! চংকে লৈথোকই, অকনা হল্লকপা উই)
এঃ ইবেম্মস্থ লেংঙকএ ! (থোকখি)

দামুদর : কাং অসি কুইন শান্নঃগ্রদা !, কবম্বা মখলগী ইরাঙনো

অকনা : লোইবদি কুইবে অতুদা ময়াম শিংজু বোম্না খয়া চানবদা
মতম খরা' চঙক্রে ।

দামুদর : উম চঙগনি, ঐনা হায়রব রাকম খুদিংমক্কী বা খা তৌরবা
নঙগী পোইন্ট য়াংলোই ।

অকনা : মখোয় ভামোগী রাক্ষম খুদিংদা ঐনা ব্যাখ্যা তৌবগী
রা নত্তে, মদোমদা পুরবদি ভাব শন্নবগনি ।

দামুদর : শন্নরগদবনি ঐনা হায়রবদি !

অকনা : রা অসি শেরাম্নখিদোরে । ময়াম তিন্নবা হাংসি
পাক শেক থাদোকপস্থ যাদে । মরুপ মপাংশিংনা
য়ামনা চাটথোবই হায়নস্থ খনখিনা হাই । অদুগা
ময়াম পুন্নমক লোইশিন্নগা নাকপনা থেঙ্গিবনি ।

দামুদর : খঙঙে ! ঐনা খঙনা থেঙদবগী রাস্থ খম্মসি নহাকনা
কাং শান্নবা য়াওবা খুনুংগী করাও মথল অসি ঐহাক
পামদে হায়ভ্রা ?

অকনা : ঐহাক খঙঙি মখোয় ভামোনা কাং শাগ্রবগুম্বা মথলগী
ময়াম শন্নবা মওং অসি পামদে ।

দামুদর : অদু ওউলবদি নহাক নশানা খঙনা তোকপা য়াত্রা ?
মগ্রীমা ঙহাক চংলুরবস্থ থুনমক হল্লকনবা হোংনবা য়াত্রা ?
নঙগী অসি ঐঙোন্দা শাংনবাদ । ঐহাকনা কুংতা
পাক্তি চংলুসি হায়বদি ভুমিকা-বদা নহাক য়াদ্রবনি ।

অহুসু মোড´ন এজগী চপ চাব। মওং লৈগদবনি। মখোয়
তামোগীসিদি মোড´ন এজগী অশেংবা খুদম নত্তে।

দামুদর : বাই গোড! অরুনা নও ঐঙোন্দা লককনরেনে?

অরুনা : শউবীগনু। শাওগদবদি ঐহাক্কি। কাং শাম্নরুবগী
মুওাইনা হুম্নকপদা অদোম্না মরক্তা ঐগী মূড খাওইনশিমনি।

দামুদর : আই ডোন্ট ঠিংক য়্যু হেভ এভর সীন ডি ৱার্ল্ড।
নহাক পৃথিবি অসি থক থওদ্রে। হৈবোং মচুওগী
তীন্না মখোয় সংসার অহুন। খ্বাইদগী চাউই হায়বগী
ফীভমহু নহাক চপ চানা তৌরে।

অকনা : হোয়! ওহব' যাই। হেবোং মচুংগী তীল অহু রাম-
দ্রবদা মখোয়গী ৱার্ল্ড অমা লৈ হায়নুনা খমবা কাওবদি
ভমলি ' মখোয় তামোনা উরিবসিদি মিরাজনি—অশেংবা
ঈশিং নওবা! অদোম্না থনবিরি বোম্বেদগী জহাজ
তোংনুনা আরব সাগর লাল্লুরে, লোহিত সাগর, ভূমধ্য
সাগর লাল্লে লন্দাদা ফ্রান্সকী ঈশিং থকলে, অচৌবা
দলাল, অঙৌবা মী উরে। লণ্ডনদা ব্যারিষ্টর তমল্লুরে,
পৃথিবী উরে—অাসান। ঐদি মখোয় তামোগী রাথল
অসিগীদমক ওস্থে ক্লা নুংশা থিদ্রে।

দামুদর : জহাজ তোংনুনা সমুদ্র লাল্লুবা, ইউরোপকী লমশিংদা
কোয়রুবা পুম্নমক অসি এক্সপিবিয়েন্সনি। পৃথিবীগী
অতৈ মফমদা লৈবিবা মীশিং অসি করম তৌবগে হায়বা
অহু ঐহাক থওলবনি। লম অসিগা কমপ্যার তৌনবদা
মীগী লমশিংহুন' ওস্থোক্লা হেনগ্রে, হীরম খুদিংদা
তমজনিংওাইনি। পৃথিবী অসিদা করি তৌরিবগে হায়বসি
খুনুংগী রাথল পুবী নওনদি করি থওলুগনি?

অরুনা : হোয়! ইশা ওইনা চত্তুনা য়েংলুদে হায়বা মথৈদি চুপ্পী, অদুগী ৱাখলগী ফিল্ডদা উবা ওন্না শরুক অদুগী মথৈদি পৃথিবীগী মরমদা ঐনা খঙবনা মখোয় তামোনা খঙবদগী থোইনা তারোই।

দামুদর : ডিল্লি, বোম্বেকাওবা নীংথিনা লুংঙাইনা চৎখ্রিবা, গৌহাটিদা লাইরিক তমলুবী আসামদগী হেন্দবা নঙনা ৱার্ল্ড-গী ৱাফমদসু ঐঙোন্দা চ্যেলেঞ্জ তৌরি! অরুনা! ঐহাক ভাব তারে, নহাক অসি সাইক্যাট্রিষ্ট অমদা কনসল্ট তৌদবা য়াদ্রে। অসিদগী হেঞ্জিল্লবদি নহাক মপাল থোকলকদোরি।

অরুনা : লম চৎপগী হায়থরবদি অদোমনা ঐঙোন্দগী খরা হেন্না চৎপিরুরে, অদুবু ইন্দিয়াগী ৱাদি মখোয় তামোদগী ঐনা ৱান্না হেনগনি। ডিল্লী, বোম্বে, বাঙ্গলোর, কাশমির অসিনচিংবা চৎপা য়াবা-মফম মথৈ ছাত্রী ওইরিঙৈদা লোয়না য়ৌঙ্করুরবনি। ইউনিভরসিটিগী য়ুঠ ফেষ্টিবেল, নেসন্যেল কেডেট কোর, ষ্টুডেন্টস এক্সকরসন, কলচরেল এক্সচেঞ্জনচিংবা পুন্নমক অমত্তা চিখরকপা লৈজদে। ঐহাক সাইক্যাট্রিষ্টতা কন্সল্ট তৌবগী ৱাফম দরকার লৈতে। অদোমগা ঐগা ঙাওনরিবা ৱাফম অসি অণ্ডরষ্টেণ্ডিং ৱাৎপ-ননি। কনানো খঙবা ঙমদ্রিবসি হায়বহু মখোয় তামোনা খল্হবিয়ু।

দামুদর : নেচরেল্লী নহাক্তি। নহাক অদুক ভাব তাখ্রিবা করিগীনো? নশানা খঙনা সরেণ্ডর তৌবা য়াত্রা?

অরুনা : কদায়দগী ঐহাক ওইগদগে! ঐহাক ওইরবদি ইশানা খঙনা অদোমনা তাকপা য়াগদবনি। কনানো হায়বহু

খঙনবা হোংনবিরো !

দামুদর : নহাকনিনে নশাবু অন্দরস্থেন্দ তৌজরিবা অশে ! করিদগী নহাক্না অসুক য়াম্না থোয়রিবনো হায়বসি ঐহাক ডাই-গনোজ তৌব তারি। নহাক অসি মাঙনবা নুপী মচানি ! নথোয় অহল লমন্না য়াকপা ওয়রদুনা মাঙহল্লবা অঙাংনি। হৌজিক্তি পাষ্ট করেকশন ! য়াররোই, মতম হেল্লে য়াম্না কেথোকহললকঙ্গে।

অরুনা : ঐদি ইপা ইমানা য়োকললকপদা কেথোকনবা তাঙ্গা ফংলকতে। ইমুংগী থবক নেখদা অহাংবা মতম লৈবক্তে। ইমুংগী থবকসু তৌনা, স্কুল কলেজ অমদি সোসাইটিগী থবক কয়াসু য়াওরকই। ঐগী থোপতা কায়দবা রাগী মফম লৈরক্তে।

দামুদর ; নহাক অসি নপুরোইববু ব্যবহার তৌদবী থকশি থাসি নাইদবা, নমান-কনবী নঙক কনবা নুপামচানি।

অরুনা : ঐহাক ইপুরোইববু য়ামনা ব্যবহার তৌজে অহল লমনবু ইকায় খুম্মে। থোইদোকনা চান কনবা, ঙক কনবগী রা লৈতে। অদোম্ন ঐগী রা ককপা ঙমদদুনা থৈজীনবা ওইগনি।

দামুদর : করি নঙগী রা ককপা ঙমদবা হায়বদি ? ঈশাইমথে ককলবা অসিবু নহাক করিমত্তা থঙদ্রিব্রা ? নহাক্তি খুন্নুং মনুঙ চঙদুনা লেবী, চংলিবা মতমগী থোঙচং থঙদবী নশানা নশাবু, মশক থঙদবী নুপীমচানি। শয়া হায়রবদা অঙাওবী হায়বদুনি।

অরুনা : করম্না অঙ্গম্না ব্রান্দ তৌবিরিবা ?

দামুদর : ভাওবু ভাওদ্রিবরা নঙবো ! কায়দ্রবা, ইণ্টলিজেন্স

য়াওদবা নৈকায়গী লাইরিক হৈতবী মুপীশিংগা তিন্নবা পাম্বা, কান্নব্রবা রোক্তন গেম কাংগুম্বদা থরায় য়াঙবা শিংজু বোরাদা থরায় তাজবা মপুরোইবগী সেন্টিমেন্টতা মেসপোও তৌবা হৈতবা মুপ নি নওশে ! নওগী লাইরিক অহু কদায়দা তমলুরিবনো !

অরুনা : ঐহাকনা ওইরিবা অসি ঐনা খঙলিবা, অচুম্বা অসি ঐনা তমলুরিবা হোৎনরুরিব ময়াম অসিননি ! অদোমনে মশাবু মশক খঙব্রিবসি ।

দামুদর : রেল, রেল, করম্না ।

অরুনা : ঐনা কাং শান্নবা য়াওব অসি করিগীনো হায়বা অদোমনা ভাবনা লাম্বা শুংফম ফংদ্রে । অহুননি ঈশাইমথৈ অদোমগী ব্রান্ড খিয়োরী ময়াম ঐঙোন্দা ভাঙব্রি বসি । ঐগী ব্রাফম অসি অদোম্না খঙবা মতমদা অদোম অসি খংচাউ চাউরম্বদগী খংপীক পীকশিনবগুম তৌগনি । অহুনা, ঐশে অঙাওবীনি হায়নমু লৌবীযু । মখা তাদবনা ফবগনি থল্লে ।

দামুদর : করিগী মখ, তারোই ? অবগ্যুমেন্টতা নঙনা ঐবু মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়বদি ওইথোক্তবনি । নঙনা ভাঙলিবা ময়াম অসি কংগ্রেসনি, রাজন য়াওদবা ! মশাবু ঈশক খঙব্রিবদি নহাকনি । অহুগা ওন্নতৈননা ঐবু ঈশাবু মশক খঙদে হায়রুনা নঙনা ঐঙোন্দা কাউন্টরচার্জ তৌরি । কম ওন ! গিভ য়্যোর পোইন্ট !

অরুনা : মথোয় তামোনা ভাব তাদব ব্রাফমদি অদোমগী সেলফ অহুগা রিয়েলিটিগা মান্নদে । অদোমগী সেলফ অহুগা অদোমনা পাম্বীরিবা আইডিয়েলশিং অহুগগী মরক্তা

অদুগা কান্নবা মথলগী গেডরিং, পুক শোকপবা চীঞাক, শিংজু হোরাগুম্বা চাবদদি থরায় য়াম্না য়াওবা অসিগী ময়ম করিনো ?

অরুনা : ঐহাক্না কাং শান্নবা অসি মথোয় তামোনা য়াদে হায়দুনা য়াওহৰদি লৈকাইগী মরূপ মপাংশিংনা মতম পুম্নমক্কী ওইনা ইমুং অসিবু মুত্তাইশরোই । অদুগা অমনা কাং শান্নবা হায়বা অসি ঐনা পাম্জবা শান্নবা মথল অমনি । ঐনা পাম্জবা থবক অসি ঐনা হৌজক্কবা নত্তুনা লৈকায়গী ময়াম্না হৌরকপদা য়াওরুবনি । য়াওবগী তাঞ্জা ফংলবা অমদি য়াওফম থোকলবা লৈকায়গী হিন্নব। মথল অমা ওইরবা অসি ফাওবদা য়াওদ্রেবদি ঈশ গী রীজন্নিংবু বিত্রে তৌবা তাগনি । অদুনা য়াওরুরিবনি । মথোয় তামোদা ঐহাকনা শীং-নবগী য়াকম লৈতে ।

দামুদর : নহাক অসি খ্বাইদগী মঙক কনবা মুপীমচা অমনি । নঙসিনা মণিপুরগী লাইবিক হৈবীশিংগী স্পেসিমেন ওইবা তারবদি লৈশাক অসি কৈদৌরৈদসু চাওখৎলোই ।

অরুনা : লৈথাক চাওখৎপা চাওংকবগী হায়মদা তদোমগী য়াকম অদু মপুং ফাদ্রি । রীজন য়াওদনা য়াকম অদু লোই-শিল্লে । করি পোইন্ট লৈদুনা অদুম্মা হায়বিরিবনো ? মথোয় তামোগী কনশেপসনদা চাওখৎপা হায়বসি করিনো ?

দামুদার : নহাকনা স্পেসিমেন ওইবা, খুদম ওইবা হায়রিবসিনি । য়া হায়ববু লৈতে, ঐগী রীজনদা নহাকনা ম্রেৎপগী নতিক লৈতে । রীজন হায়বসি করিনো হায়বা মশক মুম্না থডনা হায়রিবনি ।

অরুনা : মণিপুরগী লাইব্রিক হৈবীশিংনা ঐগুম্না জৌরক্কদি লৈবাক অসি হেন্না হেন্না চাওখৎকনি। মখোয় অমোনা লাই-ব্রিক হৈবগী স্পেসিমেন ওইবদগী লৈবাক অসি চাওখৎত্রবনি।

দামুদর : নো নো ! নঙগুম্বা খুন্নুংগী মীনা হৌজিক স্পেস এজ অসিদা করি তৌগনি ? ঐনা হায়রিবা অসি নহাক ভাব শুকতা তাদে। আই .পিটি য়্যু মাই-গর্ল !

অরুনা : ভাব জাল্লিবদি মখোয় তামোনি ঐ নত্তে।

দামুদর : নহাক মোডর্ন এজ অসি করিনো খঙদ্রে অরুনা। নহাক মোডর্ন এজগী মরমদা লাইব্রিক থরা পাউ।

অরুনা : ঐহাক মোডর্ন এজগী মরমদা লাইব্রিক য়াম্না পাই, ঐনা পাবনা মখোয় তামোনা পাবদগী হেনগনি থল্লি। মখোয় তামোনা পাবদি আইনগী লাইব্রিকনি। আইনগী লাইবিক পাবনা অতৈ লাইব্রিক পাবা মখোয় তামোগী মতম লৈত্তে। মোডর্ন এজ হায়বসি করিনো হায়বা ঐহাক য়াম্না মুন্না খঙই।

দামুদর : খঙলগা নঙনা তৌরিবা অসিনা করি তৌরবা ? নশাদা নঙনা খঙলিবা শকক অদুগী খুদম মচেং অমা ফাওবা উবে।

অরুনা : মখোয় তামোনা পামলিবসি, ঐহাক অসি মোডর্ন এজদা লৈরবনি হায়দুনা অভাং মচাগুম্না ফনেক শেৎপগী মহুতা মেক্সি শেৎপা, নত্রগা ময়াং নুপীগুম্না সারী শেৎপা শম অসি ঐগী নেচরেল মওং অসি থুগায়দুনা তেম্ন কক-থৎপা, ওপন ব্লাউজ লীৎপা--অসি ওইরবরা ? অনৌবা মখল ফিজেৎ চাকচাদনা মোডর্ন ওইবা নত্তে। ব্লাথল

মিশিং লিঙ্ক অমা কৈরে। মিশিং লিঙ্ক অসু থিদোক্না তুনা থম্লিবা মথৈথি অদোমগা ঐগী য়ুমদা অসি য়েৎনথুনা লৈরগনি।

দামুদর : ওঃ করম্না মিশিং লিঙ্ক লৈপদোরিবা? ওয়েল! এস ফোর মাইসেলফ—ঐহাক দামুদর সিংহনি। ইণ্ডিয়াদা লাইরিক তম্বা লোযবগা বিলাটতা ব্যক্তিত্ব অমদুগুং অঙাং ওইরিঙৈদা প্রোপর সোশ্যেলাইজেশন প্রোসেসনা ঐগী ইণ্ডিভিজুয়েলিটি ডেভলোপ তৌবকই। মেচ্যোর ওইরবা মতমদা আই হেভ মাই ওন ইন্দিপেণ্ডেণ্ট থোঠ! ঐহাকনা তৌরিবা ডাণ্ডলিকা অসি—ইজ-দি নেচরেল ম্যেনিফেষ্টেশন ওফ হরাট আই এম! সো-হরাট মিশিং লিঙ্ক ইজ ডিয়ার?

অরুনা : অদোম্বু ইংলেণ্ডদা লৈরিঙৈদা হিরম পুন্নমক্কী নীংবা থু বিবকপ্রা?

দামুদর : হরাই নোট? আই রাজ হ্যেপী এণ্ড সেটিসফাইড এজ এনি.বডি এলস! আই এনজোইড কাইট এ লোট ওফ ফন! ইংলিস পীপলসনা ঐবু দি অতৈ ইণ্ডিয়ানশিং-দগী হেন্না স্পেশিয়েল ট্রিটমেণ্ট তৌই। ঐবু ইন্দিয়াম্নি হায় সে থাজদে।

অরুনা : করম্না ইণ্ডিযান্নি হাযবা থাজদ্রিবা?

দামুদর : বিকোজ ওফ মাই ফেশ! ঐগী মায়শিং উরগা অতৈ ইণ্ডিয়ানশিংগা খেন্নবকপা। মখোয়না ঐবু থাইলেণ্ডদ-গীবা, বর্মাদগীব হ ডি।

অরুনা : মখোয় তামোনা কর খুন্দৌবগে?

দামুদর : কিরি খুমগনি? ইণ্ডিযান্নি, মণিপুরীনি হায়বসি ভায়দনা!

অকনা : মনিপুরবুদি মখোয়না খঙত্রা ?

দামুদর : য়েস য়েস, খঙ্গি। অদুগীসু মথক্তা মনিপুরগা দুর্তাশকদি ফজবা মরি লৈরকই। মণিপুরগী পোলো, মণিপুরগী জগোই, অমদি অনিশুবা লাঙ্গাওগী থিয়েটর ওফ রায় অসিদগী মণিপুরবু হেন্না নীংথিনা খঙই।

অকনা : উদি উশিংলিবোইয়ে।

দামুদর : হোয় রেশিয়েল প্রেজুডিশ অমদি লৈ। মতম্বুদি লৈতবা নত্তে। তৌববুদি ইউরোপীয়ানশিংনা এশিয়ানশিংবু কয়া উশিন্দ্রেদনা !

অকনা : মীনসু উশিংপিদবা মখোয় তামোনা ইংলিস রে ওফ লাইফপু অদুক য়াম্না পাম্বীকৈবদি করিগীনো ? মসিবু ইকায়খুম পোক্তা ? অদুগীসু মথক্তা ইণ্ডিয়ান্না হাৎবা ফাওবা খঙবিদবা বাঙবু অদুবু অদুক য়াম্না এডমাইর তৌবিরিবা নরিনো ?

দামুদর : হরাই অকনা ? ইংলিস পীপলদি য়াম্না চাওখৎপা জাতিনি। চাওখৎপা মীগী মতৌ অম্বদা করিগুম্বা ইনায়-নীংঙাই লৈতে।

অকনা : মশাগী পোৎশক বাথল লজ্জদব মীনা মীগী মতৌ তম্মী। অদোম মী দি মশাগী পোৎশক অদু নিংথিনা থম্মী। পুথণবা লাক্লে। মখোয় তামোদি মশাগী পোৎশক লৈনা লৈনা মতুবু মশক খঙদনা মীগীনা হেন্না ফে হায়দুনা তানবা মীনি। অদুবুনি ঐনা অদোমগী সেলফ অদু।। রিয়েলিটিগা চান্নদে মশিং লিঙ্ক অমা লৈরে হায়জবিদা অসে। করি মবমদগী অদোমবু শক্তিয়ান্না হায়দ্রবনো, করি মবমদগী অদোমবু মখোয়না উশিন্দ্রবনো হায়বসি

পীক থল্লে ! মী তাঞ্জবদি নওবু শোয়দনা ভাওরে হায়বা তারে।

অরুনা : ঐনা মহুদ। থোইদোকন। নাচু.বা। রা লৈতে। ভাব তাবা ওমদবা মীনা হায়নীংবা হায়সম্থু ! ভাওইস্থু হায়সম্থু ভাওদেস্থু হায়সম্থু। ঐ অতৈ কনাবু থল্লবগী মতম লৈতে। ঐনা পাম্বা অসি মথোয় তামোবু খওহনবনি। হৌজিকস্থ শেংনা হায়বিযু ঐনা হায়জরিবা অসিবু ভাব তাবিবত্রে ?

দামুদর : নহাক ঐনা হায়রিবসি অগুরষ্টেও ভৌবা ওমস্ত্রে। ওস্থোকপনি ! নচসি ঐওোন্দা অচৌবা হেডএক অমা ওইরে। নও অসি ওস্থোকন। ইরেশ৴নেল ওইবা ওরি-য়েণ্টশন অমদা নওগী আইডিয়া মরাম অহু চংস্ত্রে। ঐ ভাব তাদে, নওগী ব্রেন কোড অহু শোয়রমাল্লে।

অরুনা : ঐগী ব্রেন কোড৴ নপ্পে শোয়রিবদি, অদোমগী মাঠা অহুনি ফমজিল্লিবা ! অদোমগী রাখল অহু মতম পুন্নমক্তা রিয়েলিটিগা শম্নত্রে।

দামুদর : অরুনা নওসি নওগী ইগো অহুদগী হস্থরকনি হায়বা ঐহাক থাজদ্রে। ঐহাক নহাকা লৈমিন্নবা অসি করা মুডাইরোইদৌরি।

অরুনা : ঐওোন্দস্থু অমহানি অদোমগা লৈমিন্নজগে হায়না ঐনা তানবা নস্তে।

দামুদর : ব্রেল। অহুদি নহাক নয়ুমদা চংলো !

অরুনা : শোয়দনা চংকনি ঐ। মহুনা ঐস্থু পোখাগনি থল্লি !

মোহন : (মপান্দগী) ইতৈমা ! ইতৈমা ! হয়েং মিটিংগী চে ফংলত্রা ? ঐনা কোপী অমদি পুরকই।
(চওলকপা, দামুদর উবদা হনগে ভৌই)

দামুদর : ব্রেইট ? কার মিটিংগী ? চেহু পীযু কদায় ?
(চওশিন্দুনা চে লৌই, পাই, মোহন থোকখি)

টু মিসিজ অরুনা ! ট্রেজরর
ডি শোশ্যেল অফলিফট এণ্ড রিকনষ্ট্রকসন সোসাইটি !
হুম ! ফ্যান্টাষ্টিক আইডিয়াজ এগেন ! শিনা কুরি
ভৌগদৌরিব। ?

অরুনা : (শাউনা) মথোয় তামোগুম্বা অপুভবা ময়াম শিংহন-
গদৌরিবা ।

দামুদর : উম । নহানমখৈ নঙনা ঙাওলিবা অসি অসিদগী তমলিবা
ওইরে ! মোহন য়াওব্রা ?

অরুনা : মহাক অকনবা রার্কর অমনি ।

দামুদর : আই গোট ইট ! যু রৌল সা ! নঙ থুদোংচাবা মতম
খন্দুনা নযুম চৎনবা তৌ । মুমিৎ খুদিংগী ঐগী ট্রেণ্ড ওক
ঠোঠভা ডিষ্টৰ্ব তৌবা পামদে ।
(থোকখি, অরুনা মেংডি, শাউনা সোফাদা ফমখৈ)

অনিশুবা উৎশা

[ড্রয়িং রুম ! অয়ুক ! অরুনা রাখল তৌহনা হক্কং হল্লা চৎলি । একাশিনী কল্মী ।]

একাশিনী : ইবেম্মা ! ঙাইথো শাওখিগনু তম্মা রা ঙাওনরগা ইরা য়াবা য়াফর্মনি । মুপীনা মপামদা হনবা হায়বসি য়াম্মা নুবা খোঙথাং অমনি ।

অরুনা : ইনম্মা ঐ চৎলগনি । অসিদগী হেন্না ঙাওমনিংঙাই কৈম্মু লৈতে । অমুক কুইবা অসি ঐ কয়িম্মু শাওদনা য়ারি-বমথৈ ইংনা লৈনবা হোৎনরকপনি । অহুবু ঐ নীংবা থুদ্রে ! য়ুম অসিদা লৈবনা ঐহাকী পুন্সি চাওথৎকনি হায়বা থাজদ্রে ।

একাশীনী : অরুনা ! য়েংঙোই, খুরা ইবুংঙো লৈরি, ইমাশী লৈরি, ননাও ইবুংঙো লৈরি, ময়াম পুম্নমক তাকনা তিকনা তৌহনা রা নীংখিনা মেন তানা ঙাওনখিসি ।

অরুনা : ইনম্মা ! ঐহাক থঙতি, অহুলা ঐ ময়াম পুম্নমকপু লুংশিজে, অহল লমনবু ইকায় খুম্নজে, অহুবু মথোয় তামোগী মোত অসিদি ইনম্মা ঐ পামদ্রে । ঐনা থনবদা ঐহাকী য়ুম পানবা অসি সোক্কমাজে হায়না নীংলে । মুপা মুপী হায়বা অসি অফ কত্তা তাথোক তাশিন তৌনহনা নিংথিনা য়ুম লিংহনা লৈবা হায়ব-শিনি, অহুবু মথোয় তামোগী মোত অসিদি মুমিং চুম্না অঙাংগুম্বী রাখলতা ঙায়বা, মানা পাম্বা মঙম্বা

ওইগদবনি হায়বা অসিদি ঐগী রাখল অমদি খাজবা রাকমগা মায়া চুনদবা অমা থোকই। মুমিং চুম্না কোক অসি শাহনা লৈগদবগী শরুকপুদি ইরুমদা ইংনা শাম্ভি ফংনা লৈরুবনা ঐতোন্দা মুওাইবা হেনগনি।

একাশিনী : ইবেম্মা! মুপা মুপী হায়বসি পাক হেক কায়নবা হায়বসিমু লুনা থোকপা রাকয়ি। ইনম্মনা হায়নদি তপনা তায়রগা শে মাইনি হায়নরগা ইক ফনবা ওাকুনি। নওনা য়ুমদা কোক হেক চৎপসিমু ফত্তে।

ভীমো : (চঙলকতুনা) ইবেম্মা! ইমাশীমু লাকহৌরে, খুরাইবুং-তোমু লাকলগনি।

মুংশিম্ন। : (চঙলকতুনা) করিনো মুপীমচা! ভীমোনা তমলিবা পাউসি চুমব্রা?

অরুনা : চুম্মী ইমাশী! ঐবু মথোয় তামোনা য়ুমদা চৎলো হায়রে। ঐমু চৎলগে হায়না খল্লে।

মুংশিম্ন। : করিগীনোনে হায়রিবা রাকম অসিবু করি রাহৌদগীনো? করিগীদমক মানা নওবু চৎলু হায়রিবনো? নওমু করম্না চৎলগে হায়না লেপ্লিবা? ইমা লৈরি নওনা হায়-নিংবা রা হায়গদবনি।

অরুনা : ইমাশী! মথোয় তামোগী রাকম অসিদি ইমাশীনা কনা হায়রবমু য়াররোইদবনি। অহুনা ঐনা হায়ব্রবনি।

মুংশিম্ন। : নত্তে, নথোয়বু লাইরিক লাইগু নীংখিবা তমলবা জান তারবা ওাকুনি, করমনা ভাব তারবা, অওাং মচামু নত্তবা নথোয়না খাইনবগী রা অসি য়ৌনা ওাওনর-কলিব।?

অরুনা : ইমাশী! মথোয় তামোগী রাখল অসি ঐথোয় মরামদা খরা থেন্নরে। ভাব তাবসি মথোয় তামো মতোমতর্দি,

অদোম্বা থম্বিবক্কম থোকপানি। ইউরোপতা নত্তনা এসিয়া মহাদেশতশু চাওখৎপা লৈবাক লৈরি হায়বসি শুকনীং নীংশিংদবনাল্লে।

দামুদর : আই সী! নতগী রাকম অসিদি রেকোগনিশন অমা আইডেনটিটিগী রানিদনা। অদুবু করি বেরা লৈবগে? খতগী তোকচসু। মখোয়গী ইগনোরেন্স অদুবু ঐখোয়না থোইনা শাউরুনীংঙাই লৈতে।

অরুনা : ঐখোইগী আইডেনটিটি অসিবু মখোয়দা খঙবিয়ু হায়বা নত্রগা খঙবিদে হায়দুনা কমপ্লেন তৌবগী রাকম নত্তে। করিদম্ব আইডেনটিটিগী দমক্তা রা নোমকম থোক্কে। ইশাগী কলচর অমদি ট্রেডিশন লৈবা ঐখোয়না করিগী কিকম থোকই? লৈজদবা মীতমা ইমপোর্টেড ইডিও-লোজি, আউটসুকপু তাম্নবনি। অরুবা রকমদা অদোমনা ইরায় লাম্নমা করিমত্তা খল্লদনা হায়দোকই। মশি অদোমগী রামমা চাউবা মবালনি।

দামুদর : অরুনা! নতগী অসি রেকোগনিশন কোয় আইডেন-টিটিগী ওয়খেশল্লী। অদুদনি নতনা রেষ্টন আইডিয়েল-শিংবু পুরকপা পোৎ ওইনা ত্রাও তৌরিবা অসে! রেগ। নতনা খঙদবা অমা লৈরে। সিভিলিজে-নগী ঈচেলদি মকম খুদিং মৌরক্কদবনি। তপ্পা মাই নত্রগা থুবা মাই। ঈচেল অদুদা মতম চামা ইরোম-গদমনি। ঐগাকী রাখল অসি মশিগী র.কমতনি, মদু নতনা খঙদবনি।

অরুনা : মখোয় তামোনা উরিবা সিভিলিজেশনগী ঈচেলগী হৌরককম অসি রেষ্টতনি। অতৈদি উবা তমক্রে। পৃথিবীগী সভ্যতাগী মরমদা জ্ঞান থরা রাৎলমাল্লে।

দামুদর : অরুনা ! তৌগনুনে ! নঙ ঐঙোন্দা শাংনগনুনে ! (শাউনা) রাষ্ট্রগী সভাতাগী মরমদা নঙবা ঐঙোন্দগী হেন্না খঙলোইনে !

অরুনা : হয় ! মখোয় তামো ভাব তাত্রিদা ! অদোমবু মণিপুরগী মী অমা নত্রগা মৈতৈ অমা ওইনা কয়াম চাউথোকচবা ঙমলবগে ? জাপানীজশিংনা মখোয় জাপানীজনি হায়রগা মুঙাইজবা, জর্মনশিংনা মখোয় জর্মনী হায়রগা পোঙজবা, বৃটিশশিংনা মখোয় বৃটিশনি হায়রগা লেমজবা শরুক অদু মখোয় তামোগী কয়ম্বা শরুক নৈ ? ইণ্ডিয়ায়ী নত্রগা মণিপুরী মৈতৈনি হায়বিরো-কয়াম চাউথোকগা ঙম্বগে ?

(দামুদর খুমদে, হঙৎ হন্দা চংলি).

ঐখোয়দদি অমম্তা চঙবা য়ারোই। ঐহাক মণিপুরগী নিঙোল অমনি, পৃথিবীদা লৈরিবা মুপীশিংনা থবক নোম্বদা ঐখোয়দগী হেন্না নোম্বা লৈরোই। অতোপ্পা জাৎকী মুপীনসু হেল্লোই, ইশানা ইশাবু খঙনা মণিপুরগী মুপী অমা ওইনা ঐহাক য়ামনা চাওথোকচবা ঙম্মী। হুজিক্কি মীঙোন্দগী পুবা রাখল নঙনা ইশাগী ওইজবা রাখল খনবা মতমনি। ঐ হৌজিক চপচানা থল্লি মসি মোডর্ন এজগী খুদমনি। স্পেশ এজনি হাযরুনা ঐখোয়সু স্পেশক্রাফট, রোকেট শাত্রবদি চাওথৎতে হায়বগী রা লৈতে। মহুদি টেকনিকেল এডভান্সমেন্ট হায়বরুনি। ঐখোয়সু মহুগী খুদোংচাবা ফংদরুনা তৌবনি ! হীমালয় চীংনা মণিপুরদা লৈরমলবদি মণিপুর মচা খুদীংমক হীমালয় কাবা ঙমগনি হায়বসি থাজবিত্রা ?

দামুদর : অরুনা ! নঙগী নকোক অদু ফ্যান্টাষ্টিক আইডিয়ানা

মহাক্না তৌবা পুম্বা অচুম্বনি, ময়াম অসি মখোয় তামোনা পাম্বা য়াথল মতুং ইন্না থবক তৌ হায়বনি। মশিংগী মতাঙ অসিদা ঐগা ইত্তং তত্তনা মরৈ য়েংন-রিবনি। ঐস্মু য়ারবদি নীংথিনা ইংনা ভাব তানবা কৈ হায়রুনা অমুক কুইবসি শাউজদবনি অত্তুবু হন্দকী মতাঙ অসি ঐ শাউনীংলে।

মুংশিন্না : ঐদি দামুদরগা নওগদি অত্তুক মরৈ থরা য়েংনবা নত্তনা অত্তুক য়ৌনা থংনৈ হায়ববু থওদে। অমা মনাও মুপাবু তত্তনা চৈ হায়বদি থওজি। করমনা অত্তুক য়ৌনা থংনরকলিবা?

অরুনা : অত্তুক য়ামনা থংনবগী য়াম্মু নত্তে. মোত মায়দবা হায়-বসি তিন্নবা মুংওাইত্তে। ইংনা লৈমিন্নবা য়ামে; মওং অসিদা ঐস্মু মখোয় তামোস্মু অমত্তনি। ঐগা য়া ওাওনবগা মখোয় তামোনা শাউবা, ঐস্মু মখোয় তামোগা য়া ওাওনবসি থোয়দৌ শাউগংলি।

মুংশিন্না : নত্তে একাশিনী নওনা থওলবদি ঐওোন্দা নহান্নথৈ হ'য়ত্রিবা করিগীনো?

একাশিনা : ইমাশী! ইবুংঙো অহনগা মুপীমচাগগী য়াসি অত্তুক মপুঙ য়ৌবা য়াফমদি ঐস্মু থওদে।

অরুনা : হোয়, মসিগী মরীদা ময়াম থওলুরগা থোইদোকপা-কাম্নবা লৈত্তে থন্দুনা ঐনা য়ারী অকুপ্পা শাদবনি! করিত্ত অচৌবা থোদোক নত্তে। চুমনা মোত মায়দ-বগী য়াদনি। অত্তুবু ছো.জিক্তি মখোয় তামোনা চংলো হায়রবনিনা ময়াম থওদবা য়াত্রে। অত্তুনা য়াফম অসি য়ৌরিবনি।

মুংশিন্ন : মুপীমচা! করিনো নওনা ত'শংনা পামলিবা অত্তু!

মখোয় অনী থংনবনা থংনখনি, থাইনবা হায়বা মা অসিদি ইমাখোয়দি পাম্মদে। অমা নপাবুংখোয় নমাইখেম্মখোয়দি ওস্থোকমা লুনা চান্না থিম্মজরিবনি। মখোয় অহল লমনদি নখোয়গী মা অসি লৌবা ওমলোই হায়রু মতমা হায়মীংবা কম্রি রানো, হৌজিক দামুদরগম্ম মা ভাঙনগনি, নখোয় লাইরিক হৈবনা অহুম তৌরবদি কয়াম তৌগনি।

অরুনা : ইমাশী ! হন্নক্কসি লাইরিক হৈবগী রাফমনি। ঐস্ম লাইরিক হৈরমদ্রবদি মখোয় তামোসি লাইগুম্না থম্বা য়াই। অদুবু ঐস্ম লাইরিক লাইগু থম্না তমলুবনিনা মখোয় তাযোসে লাই নম্ভে হায়বা থঙলে।

সুংশিম্না : এম নখোয়গী রাসিদি নবানি লাইরিক হৈবা তাম্নবগী রাফমনিদনা। লাইরিক হৈবা তাম্নবদা নখোয় অনী ওমনদ্রগা থাইনরসে হায়রিবা? ওাইখো, ঙাইখো। অদুক থুবা মারেপ লৌবা য়াদে।

একাশিনী : ঐস্ম ইশায়মথৈ হায়জবমলিবনি ইমাশী। তপনা মথাম তানখিসি হায়হুনা। করিগীদমক ইবেম্মনা য়ুমদা চং-লুগদগে? ঐগী যোত্তি অকনানা মপামদা চংপা হায়শসি শুকয়া য়ানীংদে।

সুংশিম্না : করম্না য়ানীংগনি? ঐগী ইমৌম্নি হায়না চাউথোকচম্না লৈজরবনি। সুপামচা অহম্না লুহোংবা অসি ঐখোয় মম্নামগী যোত মতু ইম্না, মাগীস্ম খোম্নি মতুং ইম্না অমা সুপীমচাগীস্ম যোত মতুং ইম্না য়ানহুম্না হোৎজ্রবনি। অদুবু মখোয় অনী মরৈ য়েংনবদা ওমনদ্রগা চংনু হায়বসি মরম চাদে। নঙ চংপা য়াদে।

অরুনা : ইমাশী ! যোত মথান অসি খেন্নবগনি। মথামগী

য়োম্‌জন্না মথোক্কী কামেৎনী য়েন্নক্কা খেরগদি। মশিন্না থাইরবা থাইনসনা অসি মথোয় তাদ্রা অমদি ঐখী য়োতনা থয়া লুমগত্রা থদি।

সুংশিল্লা : আ একাশিনী! দামুদর কৌকচো রা হংগে। নন্না মথোয় পাবুং কৌরক্লো!

(একাশিনী, ভীমো থোকখি)

অকনা : ইমাগী! ঐ থোইদোকনা ইমুং অসিদা মৃত্যাই তরা রা ওদে! ঐনা রাখল হেন্না পেইজে। অদুবু মথোগা ভামোক্কা ঐগদি রাথল অফি তিন্নরে।

ফুজোবাবু : (চওকনই) কদি হায়বা? কদি তৌরবা? সুপীমনানয় নপাকদা চঙলগে হায়রবা? হরাই? কদি তাঙলী?

সুংশিল্লা : দামুদরনা চৎলো হায়রে থায়রে। মরম অদু ঐমু হংলিকনি।

ফুজোবাবু : ঐনা হায়মগু হায়রে, নথোয় অনী নীংথিনা এজস্টমেন্ট তৌগদবনি, অদুবু কদি অমুক হায়রবা? ঐতোন্দা মুন্না এক্সপ্লেন তৌ, ইপা তাগে, নথোয় অনী অচুম অকান য়েংগে।

অকনা : পাবুং কৈসু থোইদোকপ রাম্না ওথোকলিব ওইরগী রাদি নত্তে, রাথল অসি চা দবগী রু ফর্মনি, মেন্নটেক য়োক অমা অসিদা চুপ্তিল্লকা যাদবগী রনি।

ফুজোবাবু : আই সী। (রাথল খন্দুনা তঙাহ হন্না চওখি) য়েন ভীমোক চা লোয়, চা। চা থকলগা রা জাওনদি। উম! হায়বদি কমশেপশন ওক আইডিয়াক অসি থেল্লরে অসি নিনে। বিচার অসি লুগদৌরি।

(ভীমো রা তানাং তানা থোকখি)

অরুনা : অহোয়, অতৈ কৈন্সু লৈতে, মহুগী ৱাকমতশিং। মখোয় তাম্মোগী আইডিয়াগা ঐগী আইডিয়াগা তৌংতান্নবগী ৱাতনি।

কুলোবাবু : সনা! মোহন লৈৱা? মখোয়গী ৱাকম অসি না য়াওজ্রবদি চথবা য়াবোইদৌরি। (দামুদর, একাশিনী চঙলকই, হুংসিম্না থোকখি) উমঃ ফুপামচা! নঙনা অরুনাবু মপাম্দা চংলো হায় হায়বসি চুম্লা?

দামুদর : য়েস! কাইট ৱাইঠ! আই টোল্ড হর সো!

কুলোবাবু : হ্বাই? হ্বাঠ ইজ ডি রীজন?

দামুদর : শী কেম্লোট লিভ অপ টু মাই এক্সপেক্টেশনস! ঐনা ওইহল্লীবা কীভম য়োনা মহাক্না লৈবা ঙমদে। শী কুকেম্লোট কোপ ৱিঠ মাই আইডিয়াজ!

অরুনা : অদোমগী আইডিয়া অছু ঐনা যানিংদে। অদোমস্মু ঐনা খনবা কিবেপতা য়োবা ঙমদে। মতম পুম্নমক্তা অদোম্না খনবনা চুম্মে হায়বসি ঐহাক কৈদৌঙৈদস্মু য়ারোই। অছুগা হুপীনা ফুপানা থমবতা তৌগদবনি হায়বসি ঐনা চোলেঞ্জ তৌবি। ঐহাকস্মু মী অমনি। মী হায়বসি মহাক্কী মশাগী ৱাখল, অপাম পামদা লৈগদবনি।

দামুদর : নঙ য়ামনা সেলফ শেণ্টর্ড ওইবা ফুপীনি।

অরুনা : ঐ নত্তে। সেলফ শেণ্টর্ড ওইরিবদি অদোমনি।

কুলোবাবু : য়েট। য়েট। ভাইখো। তপনা তপনা তাঙনগদবনি। ফুপামচা নখোয়গী ৱাসি কনশেপশন এণ্ড ভেল্যুজগী ৱানি। নত্তে। য়ু ৱিল হেভ টু এক্সপ্লেন মী য়োর ভ্যুপোইন্টস।

(মোহন চঙলকই, হুংসিম্না চঙলকই, ভীমো চা পুরকই, কুলোবাবু দামুদরদা চা হৈহুনা পী)